

Manipur Library Association (MALA)
Imphal

ꯃꯣꯔꯦꯍ

ꯑꯪꯅ. ꯀꯤ. ꯃꯅꯔꯦꯡꯕꯦ



ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯃꯍꯩꯂꯦꯡꯒꯤ ꯑꯪꯀꯪꯀꯤꯑꯪꯀꯁ (ꯃꯁꯃ) ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯲꯰꯱꯰

LANGDAI — A collection of 99(Ninety nine) Manipuri poems
by L C Lalhanba (Longjamcha Lalhanba)
Wangoi-795009

অফোঙবা — মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা) ইম্ফালগীদমক নিংথৌজম ইনাওচানা ফোঙজবা।

মখুম শেকপা — আর কে জয়কুমার।

অহানবা ফোঙবা — মে ২৪, ২০১০

কোপী মশিং — ৫০০

লুপা ৯৮/-
লুপা ১৫০/- (লাইব্রেরী এডিসন)

MANIPUR LIBRARY ASSOCIATION (MALA)
POST BOX NO - 173
IMPHAL - 795001

ISBN 978-81-909699-1-8

নম্ফম — মোনিকা প্রিন্টর্স, কৈশামথোং কৈথেল, ইম্ফাল।

ঈমা লৈবাক্কীদমক থৱাইনা পোন্থু ওইখ্রবা ওইখ্রবীশিংগী মফমদা...।

MANIPUR LIBRARY ASSOCIATION
Regd No 67 of 1987
Post Box No- 173
IMPHAL-795001, MANIPUR INDIA
E-mail malaimphal 1987 @ gmail com

Dr Ch Ibohal Singh

জেনেরেল সেক্রেটরীগী ৱাবোল

কবি এল সি ললহানবা (লোংজমচা বঞ্জিৎ), ৱাঙ্গোই লোংজম লৈকাই, মণিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসন (মালা) গী অচঙবা লাইফ মেম্বরনা মহাক্কী অহানবা মণিপুরী সাহিত্যগী খুৎই "লংদাই" লাইবিক ওইনা পুথোকপীবকপদা থম্মোয শেংনা নুংঙাইজবা ফোঙদোকচবি। লাইবিক অসিদা কবিনা ইং কুমজা ১৯৯৮-২০০০ দা ইখিবা শৈবেং ৯৯ (মরিফুতবা মাপন) যাওবি। ঙসি ফাওবদা মালানা ফোঙজত্নবা লাইবিকশিংদা শৈবেংগী লাইবিক যাওখিদ্রি। ললহানবগী "লংদাই" সিনা অহানবনি। কবিগী শৈবেংশিং অসিদা মমা লৈবাকপু নুংশিবা, নিংজবা, সমাজদা থোকলিবা থৌদোক ৱাথোকশিংদনা হেন্না চংখোন্না খুৎ-থাবা থেংনজে। লাইব্রেরীগীদমক ঈহৌ শাগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কযা যাবিবগী মথক্তা সাহিত্যগী লমদসু চংশিনবিবকপসিনা লাইব্রেরীগা অইবগা অনিগী মবক্তা হেন্না অচেৎপা মরী অমা লৈনবিবদু চেৎশিলহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাংলক্কনি থাজে। লাইবিক অসি মণিপুরী সাহিত্যগী তাইবংদা অনৌবা শৈবেংগী মহাও পীবা ঙম্না লাইবিক অমা শোইদনা ওইবগনি হাযনা খল্লি। ললহানবগী "লংদাই" অপাবশিংদা খুৎশিন্নজবি।

ইম্ফাল
মে ১৭, ২০১০

সিএচ ইবোহল সিংহ

ৱাহৈ খৰদং

অমেৰিকাগী কবি ৰোবার্ট ফ্রোষ্টনা হায, "শৈৰেং হায়বসি হায়বনা অমা আর্থনা অমা পুবদুনি" (Poetry is saying one thing and meaning another)। শৈৰেং অমা ইননবা হোৎনবদা মখল মখা কযাগী খুৎফোঙদোক শীজিন্নবা যাই। সিম্বোল অমসুং ইমেজবি শীজিন্নদুনা, কৱেম কথাইনদুনা, মহৌশাগী ফজবা শৈথাদনা, লৌখিদ্রবা কবি অমা নত্রগা লৈবাক্কী লুচিংবা অমগী মবমদা তেংথাদুনা নত্রগা অৱা শৈৰোল ওইনা অসিনচিংবা মওং কযাদা ইবা যাখ্রে। পুম্নমক অসি কবি অমত্তা হেক খল্লুবা তৌদনা পূক্লিংদা যমদুনা থম্বা ঙমদ্রবা ঙাঁওনা অমখক লাকপদগী পঙইদা ইথোকখিবসু যাই। ফজবা শৈৰেং হায়বদ অমুম্না ইথোকখিবসিনদুম ওইখিবনা অযাম্বনি। মঙদা ইবম্বা শৈৰেংবু তাইবংদা অমক ইথোক্কুনা ঐখোয থ্নাইগী খুত্তা থম্লম্না কবিসু লৈখ্রে।

কবি ললহানবা (বর্ঙুৎ) কী শৈৰেং লাইৰিক লংদাই নমগাদবগী পৌকৈ তৌবকপদা পাবগী খুদোংচাবা ফংজদুনা পাজবে। মতৌবাক মজাতিগা দমক যম্না খনজবা, যাম্না ৱাজবা কবি অমনি হায়বসি কনাগুম্বা অমনা মহাক্কী শৈৰেংশং পাকবদা হেক্তা হায়বা ঙমগনি। মহাক্কী শৈৰেংশিং সিম্বোল শীজিন্নদনা, ইমেজদা শীজিন্নদুনা ইবমদবা যাই মতৌবাক মবমদমবু নুংশিজবগী মর্মদি যডনা আদ মহাক্কী ৱাকং, পেন্দবগী বাকংমক্তনি। পেন্দবগী পেন্দবমক্তনি। শৈৰেংশিং চানা অঙম্বশিংগী পোৎলুম, থম্মোয মচাগী ৱাকং, গাড়ী ষন, পাউখোং, নূখাক কোম, লমতাগী থাবল, নীংতম্বগা নুমিৎ, ওস্তোকপানিদা, কনানা বাযেনগনি, অনৌব পাবা, লোইলমগী থবোই চযামপোকপা, লংদাই, তেংথাবি ওক্টোবর ১৫ নাদ, যেন্নিংথা নত্তে নাকেম্বানি, মৈগী চাং, ঐ শৈৰেং ইববোই অসিনচিংবা কযা আসদা মহাক্কী পক্লিংদ যাওবকপা পেন্দবগী ৱাখলশিং অদু মতিং লৈনা যুদোবকই। নূখাক-কোম হায়বা শৈৰেংদা কবিনা অহানবদা অমোৎ অকাযতনা থল্লবা ইম্ফাল সহবগী মশক উৎলিঃ

দষ্টবিন তোইলেৎ নাইদে
লৈপুঙ-ফমফমদি মৱাত্তে,
যুমতমক যুংবা ইংখোলদি যাওদবা
ইমুংশিংগী নূখাক-কোমনি ইম্ফাল, নম্বুল।

অমোংপা অথৌবশিংবু শৈথাদুনা ইকববা মতুংদা শৈরেংগী লোইশিল্লকপদ আশা অমা পাবি। অমোংপশিং শেংদোক্লবা কুমগী নোংজ লাক্কনি। সিম্মোলগী মতেংনা অসুম্না অফবা বাবোইশিন অমগা লোযননা লোইশিল্লি-

অদুবু অকনবা নোংলৈ অমদা
কুমগী নোংজু লাকলবদা
চামথোকলোইদ্রা লৃথাক-কোম ?
মিকপ থোক্লোইদ্রা থুন্নাই ?

নবৌ লৈনা, নৌশিং লৈনা লোইশিনবা অসিমক শৈরেংগী মশুং অমনি। Poetry begins with delight and ends in Wisdom হায়বদগী কাংলপু চনবা যাবা শৈরেং কয়া যাওদবা নত্তে।

মৈতৈ নুপাশিংগাদমক কবিনা যাম্না হল্লি, নুপাশিংগাদমক বাক্তে, মখোযদু কহল্লি ই। মখোযগী অফবা গুনশিংবু থাগৎলে শৈথাই। মহাক্কী শৈরেংশিং-নাশিং লমজেল, মঙলাক্লবা, শাফবা মৈতৈ চনবাশিংদা, অবোক্কী নীংশিং নহা, নাচৌমগী নুমিৎ অসিনচিংবশিংসে নপাগীদমক্তা ইবা শৈরেংশিংনি। শান্নবুংদ খোংপুনগী হিজেং পুব কুমতা লাকাখবা অথৌবা ইমাগী মমোমশিংদা কবিনা পাউমেল্লে-

অনৌবা ফিজোলসু থোনবাদিবা
মালেমদা পলেমবু শক্তোকলিব
যাইফবা ওইযুকো শাফবীশিং
শক্তোকলম্মু নৌহৌননা পলেমসে
মালেমগী অথোই অহেন শান্নবুংদা।

মাংলমচৎকী কবি কযানা ইবম্বগুম কবি ললহানবসু তেংথা শৈরোল কয়া ইবি। কবি অমনা, শৈশকপা অমনা নত্রগা লৈবাক্কী লুচীং পুবেল অমনা লৈখিদবদা কবিনা তেংথাদবা ঙমদে। অবাম্বম সমবেন্দ্রনা থুপখিবদা, অহৈবম শ্যামনা লৈখিদবদা, জিঃসিঃ তোংব্রানা নোঙ্গাখিবদা কবিগী তেংথা শৈবোলশিং থোবকই। মহাক্কী শৈরেংশিং চীংলৈবাক্কী কোকিল, অঙ্গো চীং উকববদা, আগষ্ট ১৩, জুন ১০, তীর্থ যাত্রিক অমদা, ফাগিগী মাযখুম অসিনচিংবা শরুকইববা কযাগী মবমদা ইবা ইলেজিনি।

ঈশ্বরগী মফমদা ইজবা, পাউতাক ওইনা তৌবা অমদি শিল্লম শিন্থা তাকপা মওংগী শৈরেংশিংসু থেংনদবা নত্তে। যাওবি অসিগুম্বা মওংগী শৈরেং কয়া অমা-শকলোন, পুন্সি শিন্থা, মীওইবগী লীচৎ অসিনচিংবা।

কুম্বী কালেন থাইদা
মতমগী থিংঙমদ্রবা ঈবৈদা
পুন্সি থৌগাই প্যাংলিবা
অশেংবা শকলোনবু লোৎলিব্রা
ঙসিগী লৈতাদ্রবা মালেমসিদা ?

শান্তি ফংদ্রবা, পৃক্লিং লৈতাদ্রবা, পোখাফম খঙলক্ত্রবা তাইবংসিদা ঈশ্বরবু নীংশিংদুনা শান্তি ফংবা ঙম্ব্রা চাং যেংলকপনি।

করেম কথাইনবা মওংগী শৈরেংসু ইদবা নত্তে। যাওবি ললহানবগী শৈরেং- মকুম মথা যৌবকপদা। কুমগী নোংজু যৌদ্রিঙৈদা হঙোই বোবোবীগী খোঞ্জেল তাবগুম মন্ত্রী, এম এল এগী মঙ মঙজবা কযানা কোইচেন চেন কোইবাং লাংলকপগী ফিভম অমা নিংথিজনা উৎতুনা ইবা শৈরেংনি।

সিম্বোল অমসুং ইমেজবি কয়া শিজিন্নদ্রবসু কবিনা কবিগুম্বা মতমদা শিজিন্নদবা ঙম্লক্লে, অদুনা ইবকই মহাক্কী শৈরেং "অশেংবা শক্তম" নচিংবা খবা। অশিবগী শক্তমবু অইংবা খুৎ ওইনা পুথোকপগী ফজববা ইমেজবি অমা-

ইংলবা নহাক্কী খুত্তুনা
তপ্পা মোং হাদনা
থিবি-
অশোন-অনা, তোল্ল-তাববশিং।

অমেরিকাগী রাবী মচা অমখক " The last leaf " তা নিউমোনিয়া লায়নাগী শক্তম অমা মিষ্টর নিউমোনিয়া হায়না থোন্দুনা মহাক্কী ইংলবা খুৎশাশিংনা অশোন অনা কয়াবু মথং মথং শোক্লকপগী মওং অমখক নীংশিংদবা ঙমদে। কবি ললহানবনা মহাক্কী গুকনি হায়না লৌজবা মণিপুরী কবি মোইরাংথেম ববকন্যাবু মহাক্কী শৈরেং অমখক্তা অসিগুম্বা অশিবগী ইমেজবি শীজিন্নবা থেংনখি।

পেন্দবা হেনমল্লক্তুনা কবিগুম্বা মতমদা কবি অসি খোইশাওনবক্তবা নত্তে। অদুনা ইথোবকই মহাক্কী শৈরেং "নশুমাং হান্না শিৎলুনে" হায়বদুদা-

মীতোপকী মোইথেমদা পঙথবিবা

মং থন্নবা পোক্লিবা

হে মীথীবোং মীতম্বানশা!

মণিপুবগী মফম কযাদা চৎ-চৎতুনা শৈবেং ইবা কবিনি হাযবসি লাইবিক অসিদগী ইবায লাযনা খঙগনি। তোঙান তোঙানবা মফমশিং- কংলা তোংবী, ককচিং খুনৌ, খুবাই, মাও, উখ্রুল, চান্দেল, ব্রাঙ্গোই, ইম্ফালগী মফম কযাদা ইদুনা পুথোবকপা মহাক্কী শৈবেংশিংনি হাযবসি লাইবিক অসিদগী খঙবা ঙমই। শৈবেং অমমমগী লোইশিল্লকপদা শৈবেংবু ইখিবগী তাবিথ অমসুং মফম তাকই।

১৯৯০ দগী লাকখিবা মণিপুবীগী শৈবেংগী অনৌবা ঈহৌ অমনি - পোষ্ট মোর্দনিজম। ঈহৌ অসিগী মচাক অমা পনবা তাববদি Back to Indentity and Nativism হাযবসিনি। মচাক অসি কবি ললহানবগী শৈবেংশিংদা যাম্না মবাং কাযনা যাওবা থেংনবে। শজিবু চৈবাওবা, অবিবা নৌনা খুম্বোকপা অসিনচিংবা শৈবেং কযাদা মণিপুবীগী শক্তম, মণিপুবী অমা ওইবগী ব্রাখল্লোন কযা মবাং কাযনা থেংনবে। পোষ্ট মোর্দন কবি অমা ওইনা কবি ললহানববু তবাম্না ওকচবি। তুং কোইনা শৈবেং ইবকপা ওইসনু।

তেবা

২০-৪-২০১০

কোনশম কুল্লধ্বজ

থাগৎ অমা অনিদং

শৈরেং কবিনা নিংথিনা থিজিন্নবা তৌদনা পুক্নিংদা ফাওবকপা হৈহৌদুখক তৌবি-চেনাংথক্তা শৈরেং ওইনা মীতমখিবনা। অসিগুম্বা শৈরেংশিংগী শুর অসি চীংলোন মাপন্দা যেরক্লিবা কাংখুল মুংশিংলক্কবা যেলহৌমীশিংগী তেংথাখালগী খোন্থাংনি। অমারামদনা চহী কয়া ওমচাক্লনা লৈরক্লবা নৈহৎপীববা মাগমগী ফুরুপশিংগী মক ওইনা চীংলৈবাকসিগী ফুরুপচাশিংগী থম্মোয়গী থিংডমদুবা মৈগী চীংগী চাকাথক্লবা মহী মনিলনা নিল্লকখিবা হৈরাই হৌনলনি। পুম্নমকসিদগী মিৎকুপ খরদং থরাহনা পোত্থাজনবা ডসিগী নে ভাদ্রবা খুল্লাইসিদা হিরি কোনফম থিবকপনি। শৈরেংশিংসি "মতমগী যাকাইরোল" "নহারোলগী থৌদাং" অমসুং "পোক্কফম" পাউচৌশিংগী লোংমাইজিংগী সাহিত্যগী লৈচন ওইনা শাপচখিবা ডাক্তনি। থম্মোয়নুংদা হৈথিল পীবকখিবা অমাদি শৈরেং হৈরগী রাখল্লোনবু যাকাইহনখিবাসি মনিপুরী সাহিত্য লৈকান্দা অহৈবী অমগী ফিদা চাউনা কাল্লবী ইকাই খুম্নজবিবী কবি হৈচে মোইরাংথেম ববকন্যাগী "ডাচেল অমদি উচেকশিং" অমসুং "লোইনাইদ্রবা থরাইগী হৈশ" শৈরেং লাইরিকশিংগী কল্লবা পুক্নিং হৈহৌননি হায়না থমজাগ। মরম অসিনা হৈচেবু সাহিত্যগী লমদা লৰজিং লমতাকপীবা গুরু ওইনা থম্মোয়নুংদা লাতুনা থমজবগা হৈরোইননা হৈচেগী মফমদা শিংডল্লরোইদবা লমন অমা তৌনিশিল্লরে। অসরোমদা মহাও যাওদ্রবা শিন্দস্বনা খোংবা ঐগী কোরী চম্ফুৎকু স্বাসে তামো কোনশাম কুঞ্জধ্বজ (শক্লাইবরা মনিপুরী সাহিত্যগী ক্রিটিক) না মরি মুলহল্লবা হোৎনবদা মশাগী চিল্লবা থৌগাই কয়া নাইথদুনা মতম চংনা মতেং পাংবিখিবগীদমক শিংডল্লরোইদবা লমন তোল্ল হায়না লৌজে।

'লংদাই' হায়না মিংথোনবা শৈরেং ৬৬না শাবা খোমজিনবা শৈরেং লাইরিক অসি পব্লিসর ওইরীনবা হায়জকদা হরাও-হরাও যারীবক্তুনা অচৌবা মতেং পীরিবকখিবা অমাদি মাললগী মিংদা ফোডবগী অযাবা পীরিবকখিবা মাললগী মক হকপা থৌমী ইকাই খুম্নজবা হযাম্বা নুংলেঙ্গম শ্যামকক্সাই, হৌজিক হৌজিকী মনিপুর লাইব্রেরী এসোসিএসনগী প্রেসিডেন্ট ওইরিবিবা, ইযাম্বা নিংথৌজম ইনাওচা, কম্থোক্লবা সোসিএল রাকর অমসুং (মালা)গী ফাউন্দর মেম্বর, হৌজিক্লা এসোসিএসনসিগী ভাইস প্রেসিডেন্টগী থৌ পুরিবিবা লোইননা ওঝা ডাঃ চাবাইরম ইবোহল সিংহ, জেনেরেল সেক্রেটরী মালা, এসোসিয়েট প্রোফেসর 'লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সাইন্স', এম যুবু তৌরিমল খডবা উৎচবি। অসিগুম্বা মাললগী মকওইবা থৌমীশিংনা শোত্থোক লৈজদ্রবা অহৈবা-অহৈবী কযাগী মডলান মডফাওনহনবীদুনা এসোসিএসন অসিগা খুৎশম্বদুনা অহৈবা-অহৈবী কযা

পুথোকপীবগা হীবাইনা লেপনাইদনা মীয়ামগী সেবা তৌদুনা হৈরদম অসিগী হ্যুমেন রিসোর্সকী মৈবা ওইহৌবনি হায়না আচৌবা থাজবা থমজরি।

লাইরিক অসিনা পুথোক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবিখিবা হৈকায় খুম্নজরিবা ওঝা ডাঃ নাওরেম গিরিধারি সিংহ, ফাউন্দর প্রেসিদেন্ট মাপা, হৌজিক হৌজিক জবাহরলাল নেহরু ইন্সটিটুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস), পোরোমপাৎ, ইম্ফালগী লাইব্রেরীয়ান ওইরিবা, যাম্নং আর কে রামেশ্বর সিংহ, হান্নগী জেনারেল সেক্রেটরী মাপা, হৌজিক্তা মনিন্দ্রকো, ডাকায়েল পাৎকী ডিপুটি মেনেজর (লিগেল)গী ফম পায়রিবা, লৈরাকদিমক অচেম্বা থৌদাং লৌদুনা হৌজিক থেংনাং কয়দা মীয়ামগী নুংচিংবী, মীয়ামলগা য়াওনদুনা খুমগী থোগাই নাইথিবদুনা লৈরাকদিমক অচেম্বা থৌদাং লৌরিবরা মিং ওইনা পজ্জববা হৈমা শ্রীমতি শাকংবম ওংবী মেদিনি, শিংজমৈ চীংডামথোং ক্লোংথাম লৈকায়, হৈমা শ্রীমতি খুম্নম ওংবী হরেম্বু দেবী চীংডামথক খুম্নম লৈকাই, শিংজমৈ অমসুং মশাগী চিন্নবা মখোই কায়থোকপিদুনা লাইরিকী নেৎঅপ থেংবীখিবা হকাই খুম্নজবা ওঝা কেকচম নন্দাগী মফমদা তৌরিমল থগতবা উৎচরি।

অরোইবদা লাইরিক অসিগী কম্পুটর টাইপ সেটিং তৌরিখিবা অকোইজম ভরত রমন, লাইরিক মখুমগী লায় মেকপিখিবা হৈকাই খুম্নজবা ওঝা আর কে জয়কুমার, লাইরিক অসিবু প্রূফ ফোংদনবা হোৎনবদা পুক্নিং থৌগৎপিখিবা হৈরাইবুংডো বি কে রাজেংবা (মণিপুরীগী প্রোরাইট), বোয়েল বুক হাউস-গী মপু, শাগেগী ইয়াম্না লোংজমচা সনাথোই পীবা, ইচিন ইনাও, হাচে হৈচনশিং মক ওইনা হাচে খুমনাম ওংবী বিমোলা, ইনাও এলাংবম বোমেস, লাইশ্রম সুরজিৎ, ওঝা তায়েঙ্গম বসন্ত, রাংথেমচা শ্যামকুমার লোইনা লাইরিক অসি নম্বদা থবক ওইনা পাংবিখিবা মোনিকা প্রিন্টর্স, কৈশামথোং কৈথেলগী প্রোপাইটর শ্রীসোরাম বসন্ত (মাঙ্গ) সিংহ, ওপাসেট পায়রিবা থৌনাওজম রামেশ্বর সিংহ অমদি ষ্টাফশিংবু হন্না হন্না থাগৎচরি।

রাঙ্খাই   এল সি লনহানবা
মে ১৪, ২০১০

যাওফম		লামায়
১।	ঈবোলনুংগী য়াই	১
২।	তাইবংপান	২
৩।	নুংশি মৈবি	৩
৪।	ইঙেন থানা লাকপদা	৪
৫।	অঙ্গো চীং উকৃবদা	৫
৬।	থামস্বা অহিং অমদা	৭
৭।	থম্মোয় মচাগী ব্রাকৎ	৮
৮।	জালি নোট	৯
৯।	লৈঙাক মপু খনবগী লাল	১০
১০।	লূখাক-কোম	১১
১১।	নীংতম্বগী নুমিৎ	১২
১২।	শকলোন	১৩
১৩।	মতমগী লাইব্রা	১৪
১৪।	লুহোংবা	১৫
১৫।	হঙোই	১৬
১৬।	কিন্থবক্লবা খুন্নাই	১৭
১৭।	পাউমীশিংগী হক	১৮
১৮।	অনৌবা পাবা	১৯
১৯।	মিববা খোঞ্জেল	২০
২০।	নীংশিং লমজেল	২১
২১।	মঙলাক্লবা	২২
২২।	মেট্রিক পবিক্ষা	২৩
২৩।	তেংথাবি ওক্তোবব ১৫ নদি	২৫
২৪।	কুমদস্বা মপুগী পাউজেল	২৬
২৫।	শজিবু চৈবাওবা	২৭
২৬।	যাওশঙ স্পোর্টস	২৮
২৭।	শাফবী মৈতৈ চনুবাশিংদা	২৯
২৮।	৫শুবা নেশনেল গেমস	৩০

ঈরোলনুংগী য়াই

উপায় লৈজদ্রবী মমোমদি
পলেমগী লাংওনফম থব্রাইদুদা
শিদহিদাক যেনবা ঙমখিদে।
লোইলম হিংচাবীগী শবৈদা
খাম্বীমৈথক্তা ওল্লিবী
পল্লেমগী তেংথাখোলনা নিল্লবে
চীংযা তময়া লোইজিং লোইয়া।
নাহেবি পলেমদি
'ইমোম, ইমাদি খ্বাঙ যৌবে'
মিংলু পিবাং শিঙ্গুনা
খাম্বী মৈবু শত্তোক
অমুবা চংন-পথাপ্পা লুশম লাক
মৈচাক ফনা যাংশিল্লি।
'ইবেম্মা, ইমাদি খৌবি য়ৌবেদো'
অমুকসু পলেম্বু কন্নিংলুই-
নুং'নিগী লক্তা হা-ওই
নোংদম্বা মানা নাথৈবীবন্নবা
চীংগী ঈচেল নুংশিবী
চীংলৈবাকসিগী থব্রাই, কখোল্লবী।
খ্বাঙচেৎ মচি লাং
খুত্তা মৈবা পায
লাউখৎলু খোঞ্জেল হৌনা
মচু তবেৎ ফিবালগী লীচিংদা
তাকলমসি নীংতম্বা চীংলৈবাক
ঈবোলনুংগী অথুপ্পা য়াই
মালেম পুম্বনা ঙকসনু।

জুন ১৩, ১৯৯৯
কংলাতোংবী।

তাইবংপান

তাইবং মীওইবগী অপাম্বা
মপান ন'ইদ্রবা অনিংবা
অকুবা থম্মোয়গী লাইশঙদগী
অযাংবা চীনগী যকাদা
পু-থাংবা ঙমদ্রবা ৱাফমশিংদো
মনিং মমাং থত্তুনা
মশাগী হৈন্জবী শাজত্তা
হেক্তা চৎনবা হোৎনবা,
নাপলগী হিনাও তোংদুনা
পুন্সি ঈপাক লাল্লিবা
শাংলবা পুন্সি খোঙচত্তা
নশানা নশাবু চেকশিনজদ্রিবা
মিৎকুপকী ওইবা পুন্সিনি
কাউববনে হে তাইবংপান '
পুম্নমক তোখাই তোখাইনা
মাযকৈ সলাই খণ্ডদনা
লমজিংবিবা কনা যাওদা
ঐনা মহেল্লে খন্দুনা
নহাক্কী শেম্বীববু কাউথোক্লবা
খুন্নাইগী ৱাহম্থোক যাওদ্রবা
পুন্সিগী পম্বুংফম্না কদোমদা '
ৱাখলগী অযাংবা তুবিনা
অমত্তা ওইবগী লীচিংদা
ত'ইবং মপুবু খুকমজ
হেকলমসি ইং-তপ্লবা তাইবংপান।

১৪/২/১৯৯৯
কৈশামপাৎ।

নুংশি মৈরি

মকা ফন্না চাক্লিবা
মুৎনাইদ্রবা নুংশি মৈবিনি,
শেন্নহৌদ্রবা থম্মোয় ঈহুলদু
কায়না মৈশা লাংলিবা।
কাউগে হন্না কাউঙমদা
থম্মোয় লায়মন ওইরবা
মকা ফঃ চাক্লিবা
নীঙঙমদ পুক্লিংগী মৈবিনি।
খোঙফম অমা শেম্বদা
পুক্লিং ঈচেল থৈবিবা
য়াবম শোয়না কাংবদা
নুংশেং ঈপাক লানঙমদ্রিবা।
ইশানা থাকচবা লাংসে
ইশানা থুজবা তাবনি,
থাশিতবু ঙাইজবা পাম্বনা
পুর্ণিমাগী মঙাল ফংদবনি।
নহাক্কী য়াখলদা ঙাওরুব
লমহেনবী পুক্লিংগী ইথিলনি
মালংদা দলান শাকুবা
অপংবা ঐতগী ইবালনি।
লংলা লংজিন থিঙমদা
নক্ক-নক্কগা মাঙখিবা
লাপ্প লাপ্পগা ঙাল্লিবা
মুৎনাইদ লংল মৈবিনি।

২১/০২/৯৯
মোটবুং কলেজ কেম্পস।

লংনই/৩

ইঙেন থানা লাকপদা

মীপুম খুদিং লৈতাদে
থকুং মফম চাদ'গুম
অমগী মথংদ অমা
হকচাংগী ঈচেল কাযব
মহৌশাগী শক্নোন হোংলকই।
লৌমীশিংগী ব্রামৈচাকপী শিন্থাদা
হকচাংগী থৌনাবু নৈহংতুনা
পূক্লিং হকচাং শোম্থবম্বা
খুন্নাইচাশিংগী মম্থকুববা হকচাংসে
জগৎ বন্ধুনা ঙাম্থোইববা মিংকুপ্পা
অনা-অযেক কোকহনবী
নুংশি পাউজেল যেল্লক্নে
থম্বালগী নুংশিববা লৈনমলক্তা।
হে জগৎ মপুও,
নৈহংপীববা খুন্নাইসিদা খোঙদোইবীবকপা
কবি লাইপাও পুদুনা
খোযশাউনববা থম্মোযবু নেমথহনবীনি ?
পুক্লিং অনী লোংদনা
অপংবা ভক্তশিং যাকাইহনবীদুনা
খিকপীবম্মু শান্তিগী ঈবিক।

২৫/১২/৯৯
খুবাই।

অঙ্গো চীং উরুবদা

লৌমী শিল্পীগী লুচিংবা
মৈত্রবাক্কী অমত্তা ঙাইববা
হে মক্তুবা থব্রানমিচাক!
নহাক্কী লংলবা থম্মোযনা
অমাং-অশেং, অচৌ-পীশক
খুববা শম্বল নমথেক্তুনা
মান্নবা খুন্নাই ব্রাখল্লোন্দা
তোল্ল-তাব কযাগী মকুপওই
মীওৎ-মীনৈ মাযযোক্তা লেপ
খুন্নাই'সি মমিৎ পাংহনলম্বা!!!
হীবম খুদিং মাযকৈ-শন্না

শোখববশিং মেনখৎনবা হোৎনবদা
চোকথ নাইদ্রবা থৌনাদুনা
অখাংকনবী পলেমশিং লমজিংবী
নুপীলাল পুৱাবী শেমলম্বা,
খুৎশেম চাকতাং, মীওৎ-মীনৈ
চবাম্লববা খুন্নাইগী খন
কখোকপদনা নশরুক ওইববা
হে লুচীং পুবেল!
নহাক্না মখোঙ শোমজবম্বা
সাহিত্য, কলা, মশান্নশিং
মপান শাৎলে, মহৈ যাল্লে ঙসিদি।
কখোকপা, খাঙবা কনবগী ঈহৎলদা
খুন্নাইচাশিংগী থৌনা হাপ্পীবম্বা,
শোখববা মরৈচাশিংগী খন
লাযববশিংগী শৈদাংফম ওইবম্বা
অনৌবা যাওলগী লমযানবা
মৈত্রবাক্কী পলেম পন্থৌ শকপও!
যুমথংনবা অৱা লমদমগী
অঙ্গো চীংগী চীংথক্তগী
তাংবো খুল উরুবদা
নীংশিংহল্লিনে হে অথৌবা।
নহাক্না পামজবম্বা নীংতম্বদুগী
থৱাইনা পোন্থা ওইদুনা
ঈগী বলিদান কৎলিবা
লৈচিন পোম্মায হাংদোক্লুনা
নহাক্কী মাযকৈ যেংদুনা
চোইজাইনববা খোঙ্গুল লিবিবা
নপাবী নমোম খিবিক্তা
অমুক্তদি যেংলকউনে হে অথৌবা।।

২৬/৯/৯৯
কাউন্দো খুল, বর্ম্মা।

থামম্বা অহিং অমদা

পেৎহৌনবী ইভা নোংজ্রগী
থাশি অহিংগী মমৈদা
পীক্লবা থাঙপোকশং অমদা
ঙাইখি হল্লক্লবোইদবা থবাইতব্র।
যেংথিনবগী অমকপা নোংলৈদুদা
তাঙ্গোই ওল্লবা খুনশিংগী
নাহেখোন্তনা থল্লবা খুঞ্জাশিং
কভাওনবে পোক্লফম লমদর্মাসিদা।
শুপ্লগী থৌশিল অমনা
অমকপা রাখলগী মকমদা
চল্লবা থরাইশিং তেমশিংনা
থাঙ্গুথক্তা পুন্সি পিখম্লহনখিবা
কবম্লবু কাউবসিগেনে পলেম্লা।
থামম্বা অহিংগী শাযোনদা
ফুকপর্কী পাঙ্গন শাগৎলিবা
হিগাইরাগী শক্লোন লৌবিবা
তম্ললাই মহাক্লদি নোক্লিসে
লান পাম্বা নখোযদি খঙদব্রা '
কপলি থম্মোযদা নুংহিক্লনা
তাঙ্গোইনা মমহল্লবা চীংলোনসিদা
কনাদসু রাকৎপা তৌদনা
লমহেনবা মচাশিংগী হাকন্দা
থরাই হামচৎনবেদো পলেমদি।

জুন ২৭, ৯৯

শংজাল শঙলেল, ঈবোইশেম্বা।

থম্মোয় মচাগী ব্রাকৎ

হাযবম হাযফাত্রিদৈঙে
লোইবম লোইফাত্রিদৈঙে
পৃক্লিং মমি ফোঙদ্রিদৈঙে
মঙম শান্দ্রবা মিৎযেং
খঙহৌদ মাঙখিনি
ঈযাই থক্কী কোঙ্গোলগুম
মিৎকুপ ফাদনা লোইখিনি
তাইবং কনাগী থম্মোযদা
মমি তাব নংহৌদা
শাগৎচবম্বা থম্মোয়গী ঈহুল
মীওইপোক্লা খংবী উবিদা
তিনখিনি তবং মালংদা
কনানসু তাবিবোইদবা ব্রাকৎসে
অসুম্মক তিনখিনি
অহাংবা মালংদা
থম্মোয় মচাগী ব্রাকৎ।

জানুৱারি ১৭, ৯৯
ঈবোইশেন্বা।

জালি নোট

ইলেকসন হযেংদা ঙাইবে
পার্টি মশেল কনখৎনদুনা
অমনা অমবু হুন্নে
টাটা, জীপতা লাউবিবা
প্রাজাশিংগী মীহুৎ ওইহনবীনবা
নুংশিববা ব্রাহৈ ব্রাতাদা
থম্মোয শুমহৎনা তেংথাবিবা
লমদমসিগী অশাবা লুচিংবশিং
চৌক্রি মুন্নবগী লালসিদা
মীচং যাম্বা তান্নবি
পৈশা খাওজাও থাদনবি
লৈকাই, লৈকাই চিংখ্দা
ক্লব, মৈবাশঙ পুন্নমক্তা
গান্ধী চৎপীনা ব্রাই চাইবে
পুন্নমক অহনবা ঙাক্তনি
মচেং চাকববা ভোটবশিংনা
ওইহনখবে মহাক্তি লৈঙাকপা,
চন্নদ্রবা জালি নোটতি
অপংবশিংগী ওঝা ওইহৌবে।

ওক্তোবব ১০, ৯৯
ব্রাঙ্গোই।

লৈঙাক মপু খনবগী লাল

মীখলনি লুচীং-পুবেল খন্নবা
অৱাৎ-অপা লৈত্রবা
লাযব-ইনাকখুনবা খেৎনদ্রবা
মীযাম্না থাগৎপা মীহুৎনা
মীযাম্বু কোল্লু তক্লবা
মীনা মীবু নমথনবা
চীনবান্দা খোইহি তৈদুনা
পৈশাগী খোইচাক থাক্লুনা
অপংবা মীযাম্বু পংথহন্দুনা
ফৌহামগী মচং ওইনবা
হিংবগী চুপ্লি পাযনবা
লাঞ্জংনি লুচিংবা কযাগী।
থম্মোযদদি অপুম্বনা থল্লবা
অনানবা মকু থোনবদুনা
খুবাক চাংজৌ তবানা
থৱাইগী মতেং নীবিবা
অমনা অমবু হুন্নবিবা
মীহুৎ খনবগী শকলোন্দা
নিংথৌ খুভম মুন্নবিসে
মিকপ থোক্লোগবা লৈবাকমচাশা !
অপংবদা লাম্লোইনবা তোক্লসি
মীনুংশিগী মান্নবা লংলানা
নীংতম্বা থুন্নাই শেল্লবদা
লাংওল্লক্লি লুচীং-পুবেল
লেপনাইদ্রবা মতমগী খোঙলৈদা।

সেপ্তেম্বর ৫, ৯৯
কৈশামপাৎ।

লূখাক-কোম

লম খোপচিনবগী হৈনবীদা
তুংগী মীবোলগীদি খন্দ
লম্বী খোংবাল ফুনজিন্নবকপদা
থল্লবে ইম্ফাল সহব
অমোং-অকায অপুম-অশাতনা।
দষ্টবিন তোইলেৎ নাইদে
লৈপুঙ-ফমফমদি মৱাত্তে
যুমতমক যুংবা ইংখোলদি যাওদবা
ইমুংশিংগী লূখাককোম্নি ইম্ফাল, নম্বুল।
লৈঙাক মপুনদি উদ্রমানে
পুমলবা ইম্ফাল সহব
অমোংপা খুন্নাই অমা।
মিৎযেং তেনবশিংনা-
খুন্নাইগী শকলোন মাঙহনখ্রবদা
ঙম্নমক মাঙখিগনি থিংঙমদনা,
অদুবু অকনবা নোংলৈ অমদা
কুমগী নোংজু লাকলবদা
চামথোকলোইদ্রা লূখাক কোম ?
মিকপ থোক্লোইদ্রা খুন্নাই ?

আগষ্ট ২৯, ৯৯
কৈশামপাৎ।

নীংতম্বগী নুমিৎ

পুরাবীনা খুদম ওই
লাইওইববা ইপুশিংনা থম্বীবম্বা
নীংতমলম্বা মৈত্রবাক লমদমসি
লোইলমগী যুখন্না খর্নশিনবীবে
থাবলগী মঙাল ফংহন্দ
থাশিদা ওইববা খুন্নাইসিদা।
অশেংবা শক্তম্মু ফোঙভমদা
হিংনবগী চিববা লানফমদা
মমি শান্নবা অথৌবশিং
শগং থাংলবা নোংশাশিং
শাদানবগী লাংদ থুদনবা
ফিদুপ চুম্না চোংঙমখিদ্রা '
মালেমগী মচী খুদিংদা
লোইলমগী নুমিৎ তাখবে
নীংতম্বগী নুমিৎ থোবকলে
অবি অনৌ শিন্নখবে
ব্রাজমন মহৈ যানখবে
তং-তাবা খুন্নাই শেমখবে।
তাকপীযুনে হে লুচিংবাঃ
ঈখেংতনা চামথোক্লবা ইবমদমসিদা
তাকশিল্লক্লবা চীংলৈবাক্কী ইবৈবাকচাশিং
লমহুইগী শাথোকফম ওইববদা
নোংঙান্দ্রবা অহিংসি খাঙদুনা
নীংতম্বগী নুমিৎ ঙাইবিব্রা ?

আগষ্ট ২২, ৯৯
চকপীকাবোং।

শকলোন

থবাই মীবেল মীতমদ্রিংগে
পৃথিবীগী লেপ্পুবা খোংচৎসিদা
মিৎকুপ-অমা পোথাদনা
লেপনাইদা ঈচেলদা তাউথবক্লিবা
তৌবককফম লোইফম খঙদবা
পোকপা শিবা নাইদবা
থৱাইশিংগী ঈতুংফম ওইবিবা
খঙদবগী কুযোম ৱাংমদা
লোইনাইদবা ৱাহং ফিজংনুংদা
অচৎ-চত্ত খাইদনা
মতমগী ফিজোল থোল্লিবা
পুম্নমক্কগী থোইথোইবা মপুও !
কুম্বী কালেন খাযদা
মতমগী থিংঙমদ্রবা ঈবৈদা
পুন্সি থৌগাই পাংলিবা
অশেংবা শকলোনবু লোৎলিব্রা
ঙসিগী লৈতাদ্রবা মালেমসিদা ?

আগষ্ট, ৯৯
নোংপোক অচিবা, নোংপোক শঞ্জেনবম।

মতমগী লাইৱা

মীগী শাওনবা হাযকনু
থাগৎ ৱাহৈখক্তং শীজিন্নৌ,
পুন্সিগী পন্থুং যৌনিংলবা
থযাইনবা ৱাহৈ শীজিন্নৌ।
অচুম অবান খাইদ্রবা
মীচং খোম্বী মশান্নদা
মোইথেমগী খোইচাক থাদুনা
সনাগী ঙা ফাজহৌ
পুন্সিগী অনেম্বা ফম্বাক্তা
থৱাইশিংগী কাইদোংফম ফংনবা।
নিংথৌ ওইবা পাল্লবা
মীনাই ওইবা তমদুনা
মীখোংদা তুবা তনগনু
ওইজনামগী লাং থাক্তুনা
লুচিংবগী কৈবাক কাহৌবো।
ঙাইখো হে অচুম্বা,
অপুম্বা খুন্নাই লুপখ্রবদা
নংগীসু মতম লাক্কনি।

জুলাই ২৫, ৯৯
কৈশামপাৎ।

লুহোংবা

তে তে বেতে
দোং দোং দোং
হোংউ হোংউ লুহোংউ
অৱা-অনা খল্লুনু
মবিংনা শাবা শংবাইদি
নামা হাংবা হৌনদে।
চাদে লৈতে থিকনু
লাইনা যাৎপা খাযাৎনি
চাখাও হাংদুনা মশিবোই,
জীপ, কাব, বসনা
মবোল মবোল লেংহনসি
চৎনবীবু হেক্তা হুঞ্জেক্কদ্রা ?
চযু-উযান মীবাং থুবসু
ইজ্জৎকী ৱাফমনি খন্দুনা
তুংলমচৎকী মীওইবগীদি খল্লুনু !
শিবগা লোইববা পুন্সিদা
হযেংগী মপোকসু তমঙমদ্রবসিদা
মিৎকুপকী ৱাখলদা মাঙওইনা
তুংগী যুমলেপ তমহৌবো !

জুলাই ১৮, ৯৯
তখেল।

হঙোই

"গো গো গো"
খোংলি হঙোই বোবোবী
মকুম মথা যৌবক্ল'সিদা
পাৎ তুবেল খাইদা
লবুক-লম্মাং থিদনা
চীংযা তময়া শিঙ্গুংনা
অচিকপা অহিংবু থুগাইদুনা
অহীক্লবা মিববা খোঞ্জেলদা
পুক্সিগী থৌগাইমক্লি খন্দুনা
মীচঙ তেঙ্গোল খোম্নবি
শ্রাদ্বাগী ঈশৈ খেক্লবি
ঈশৈ হনবা মাযযোক্লা
দুহাব চৎপসু পুমঙাওনি
পুংযৈবগী চোলোম শাথেক্তা
লমহুইগী জলকেলি মশান্নদা
নোকচবি গধাশিংদি খোইদানা।

১১/৭/৯৯
গেলেক্সি ইংলিস স্কুল, থাংমৈবন্দ।

কিন্থরক্লবা খুন্নাই

মশাগী ওইজবা থিবদা
মীতোপ্তা অৱাবা পীদুনা
মফম খুদীং লাংহল্লিবা
নৈতাবা ঙমহন্দখৈ মালেমসে।
নশাগী শক্তম, লাইনিংনা
শুপচিন্নিংবগী ৱাখল্লোন মকমদা
অমনা অমবু নমথবদি
অনৌবা যাওল লাক্লবদা
অশোনবগীসু পাঙ্গল লাক্লনি।
অপঙববু অশিংবনা নৈহৎপীবগী
থাঙভমদ্রবা নীংতম্মিংবগী খোন্থাংদ
কিন্থবক্লে অফোৎপা খুন্নাই।
শোন্থবক্লবা অপুনবগী লংলা
তৎলক্লে তপ্না তপ্না
মশাগী মহনফমদা হঞ্জিনখিদুনা
নীংতম-থৱাই মথি ফোংলক্লবদা
নৈতাদবে ঙসিগী মালেমসে।
হে মতমগী চুবানথাবশা!
থিংঙল্লোইদবা মতমগী ঈচেলসে
অপনবা কৈদৌনুং পীকদনা
মনীং তম্না চেনখিসনু অহোইনদুম
মান্নবা খুন্নাইদা ঈতিনখিনবা।

জুন ১৩, ৯৯
চান্দেল।

পাউমীশিংগী হক

অশি অচংগী ৱাখৈফমদা
থৱাই খুবাক্ত হাপ্তুনা
মশাগী ওইজবসু থাদোক্তুনা
মালেমগী থৌদোক ৱাথোকশিং
মীপুম তিংনা যেল্লিবা
মীচং-মীখাই নাইদবা
থৌনা ফবা পাউমীশিং ' '
কবিগী থম্মোয শোম্থুনা
নোংশানবু পিবাং শিন্থবিবা '
চংশিল্লু মাঙদা থৌনা ফনা
পোল্লকবদি শিবনি-
নঙগী পামজ পন্থুংদু
মালেমগী মীওইনা খঙসনু
সনালৈবাক্কী অতাঙবা যাই
নোংদোল পক্ক ঙানসনু '
থীল্লু লানবুং
খোঙ্গংলু বেঙ্গুল
অনৌবা লাঞ্জং চঙলসি
তাল্লমসি-
নীংতম্ম ফোঙদোকচনবগী হক
চীংলৈবাক্কী পীকতকপা থেনসিদা
চাক্তামিন্নবিবা নোংইন শঙ্গুগীদমক।

১৬/৫/৯৯
মোবে।

অনৌবা পারা

শাববা কালেনগী নুংশাদা
লৈত্রক চৎলে-
পাৎ-তুবেল, পুম্ব্রি-খোংবান ঙম্নমক,
চিংলোন মাপলসু
মক মনা কোক্লে,
চেকশিন্দ্রবা থুন্নাইচাশিংগী খুৎশেমদা
মীপুম তিংনা রানবে
মমৈ-মকোক খণ্ডনদবে।
থিবি খৌগংলবশিংনা
অহিং নুংথিল থাইদা
থরাই মীবেল মহীবেল
নোঙ্গৌবী চেক্লাগী পাঙখকুম।
লৈবাক যম্লাইবা লৈতাদবে
তাইবং মপুদা পুনেমজবসু
মহৌশাগী থন্না কাযত্রবদা
হুচেল্লবা মীওইবগী থৌশিল্লক্তা
লৈকংলা ওল্লে লমদমসে
অহিংবশিং নুং-পান ওন্নবে।
অমবোমদনা-
ঈপাম্বাগী খোঙচৎ কাযবকপদা
যেংশিনবীদ্রবা ঈশিং-খোং, পাৎ-তুবেল
মনীং তম্লবি লৈবক খুল্লক্তা
মাঙ-তাকহল্লবে মহৈ-মবোং ঙম্নমক,
মসিনি মহৌশাগী
অনৌবা পাবা।

মে, ৯৯

মাও।

লংদাই/১৯

মিরবা খোঞ্জেল

থেংলবা অহিংগী মতমসে
তাইবং কনাগীসু খোঞ্জেল তাখিদবে
কৌঞ্জেং হাবৌসু খোংখিদ্রমানে।
অহিং লাইবেন্থীগী মতমবাকসিদা
থরাইশিংনা নীঙাইদনা পোথাবি,
তেল্লবা অহিং-নোংযাইগী তানয়ৈসিদা
মপাবী মমোম শেৎন খাইনখ্রবী
মীনাই যোহ্লিং হুকতোকওমদ্রবা
যনেক ফিমন শেৎলিবী
খ্বাঙচেৎ মচি লাংলিবী
থরাই হামচৎনববী পলেম্মা
কৌব্রু চীংদ লেপতুনা
মিৎলু-পিবাং পিবোইননা
তনিক্লবা, মিববা খোঞ্জেলদা
শকলি নাউশুম ঈশৈ
'নখোযনা হযেং চাউবগা
পন্থৌগী খোঙ্গুল লিযুদো
মালেমদা নশক তাকলম্মুকো
হুম হুম হুম ’।

১৮/৮/৯৯
অরাং সেকমাই।

নীংশিং লমজেল

হৌজিক থেংখাং কয়াদা
অরা-মায়বোং য়াখিবী
ইবমদমসিগী ইমা খিবিক্লি
চিববা পুংফমদা লেংনদবী
মীনুংশিগী ঈচেলনা থুমহৎলবী
লাইবক চাউবী পলেমশিং
অদুগৈ চহী তবেৎ খুন্তাকপৈ
ফিশা তেম্না খুৎলাই ওই
অরা-লান্মী মায়যোক্লখিবী
মৈতৈগী অশেংবা ঈবিকশিং
নুপীলালগী পুরাবী ইদুনা
খুৎশেমগী চাক তাংহল্লিবা অঙম্বশিং
মলেচ্ছ ময়া কুমহনখিবা
লৈবাক্কী হিমাই চুমখিবী
লাইওইখ্রবী ইমাশিংগী লীকলমসিদা
মপাবী মমোম শেৎনখ্রবী
লোইলম মীনৈদা রাজববী
চীংলৈবাক্কী লাইবক-চাউবী পলেমশিং
মোংফমথক্কী চীংলম্বী পবিংদা
থৌনা লিংজেল ফুদোক্কুনা
মপাবী মমোমশিং থাগোঞ্জনবা
চেল্লি নুপী লাল নীংশিং লমজেল
তুংলমচৎকী অনৌবা মীবোলগীদমক।

দিসেম্বর ১৯৯৯
সহীদ মীনার মখোং, ইম্ফাল।

মঙলাক্লবা

মিংলু পিবাং পিবোইননা
পৃঙৌ ফনেক শেংপী পলেমশিং
ঈংখেংলক্তা থিবি-
থরাই যাওদ্রবা মপাবী মমোশিং।
খুংকী মৈবাসু তাখ্র'মানে
নাওশুম ঈশৈনা লেপখিবদা !
নিল্লবে ইবমদমসে মঙ্গুম ঈশৈতনা
মীওইবগী হক খোঙ্গোইনবীববা
মমি শাল্লক্লবা চীংলৈবাকচাশিংগী।
মালেম, নুংশিং, অকোইবগী শক্তম
ঙম্লমক যানশিন্নখ্রে অমম্বা মৈখুলক্তা-
লান্দাবকলি তিলাইখোম্বী তেঙ্গোলনা
কাংখুল মুথৎনবা মৈহৌবোল খুল্লাইসে
কৌব্রু ফিরুপ খুল্লনি
লোক্তাক ঈপাল লাংলবোই,
শিবোই লৈশাং তল্লবোই
মহৌশাগী শৈবোলসু তাববোই,
মীযানচানা ব্রাযেল্লিবা
মতম অমগী সনালৈবাক
ঙসিদি মীযান-লৈবাক ওনখ্রবা ! ?
চাউবব খোঙপাক্তুনা নৈহৎখিবনি
ঈ-থাংদ্রব হকচাংসে হঞ্জিন হঞ্জিন
অথাক-অবাও বোম-তোপ মবক্তা।
মীতোপকী নিলখোংবা খোঞ্জেল্লক্তা
হুমাং লুপ্লবা হকচাংসি
ইমানদি চেজেৎ কোনশিনবীবি।

১১/৪/৯৯

ব্রাঙ্গোই।

মেট্রিক পরিক্ষা

সহবদগী তাম্না উবিবা

মল্লবা স্কুল শঙদুগী

কিস্থববা ফেঙ্গিংগী অকোইবদা

লংদাই/২৩

লবুক-লম্খাং যুমলক শিঙ্খুংনা
পুমলাং লাংই, পুমনিন নিল্লি.
মবুক তহি-তহি কংবদগী
শকগী লৈতেংমী ফাওবা
নুপী অঙাং হুপ্লা
খবনা অমুক তান্নবি,
মচী মচীদনা-
চে কলম় পায
বুক ষ্টোবগী লাইবিকশিং ফাক্লুনা
অমনা খোৎলি, মযাম্না শিল্লি।
খাগী শেৎপশিংনা উইবি
হৈনিংদনা লিচৈদা ঙাবদুনা
শিন্তাকনোইশিংদি হকাম চল্লে
শিন্নবিবা মহৈবোইশিং শংদুনা
পুংশিং তাবা ঙাইবদা।
কাব অঙৌবদু থৌজিনখিবদা
পুমচিক চিকই স্কুল-মনুং
লাইবিক্লা পুমচাই ভেবেন্দাদো-
মপান্দনা নিংদোল পোম্লবি
কলম মচীন চুপ্লবি।
লাইবক থিববী অহুমদুদি
পেবি-পেবি থোবকখি
যুমদা হনবা ইকাইবনা
মযুম হোংখিবসু যাওনবে
মতোন থোক্লে খোংবান চেনবা
মসিবু মেলাবা পবিক্ষাগী ?

এপ্রিল ৪, ৯৯
মযাং ইম্ফাল।

তেংথারি ওক্তোবর ১৫ নদি

কাউঙমদ্রি মতমদুগী থৌদোক
নীংশিংলি ইবৈচাশিংগী থস্মোযদদি
ইং কুমজা ১৯৪৯, ওক্তোবব ১৫
লোইলম নোংমৈ চীন্দোন্দা
যাচন লাক্লবা মৈদিংঙু বুদ্ধচন্দ্র
নীংতম নুমিৎ গ্রহন লাকখি
সবদাব পটেলগী বাহু কেতুনা।
ওন্ন-থোইনা থাংলিবা
নৈহৎপিববা চীংলৈবাকচাশিংদা
মমি শাপ্লে দেমোক্রেসিগী ব্রাযেল,
নীংতম লান্দা মৈবানবী ওই-
লোইলম যোহ্লিং হুক্তোক্লবা
চীংলৈবাকসিগী পাথৌ কযা
থব্রাইনা পোম্বা ওইদুনা
খুৎশেম-মীহাৎ ঈবৈনা
ঈথেংগী ঈচেলদা ঈতিল্লবদা
থিংবিনবা কনা লৈতনা
তেংথাবি ওক্তোবব ১৫ নদি।

ওক্তোবব ১৭,৯৯
চকপিকাবোং।

কুমদম্বা মপুগী পাউজেল

মীওইবগী অতেনবা মিংহেংদা
মহৌশাগী শক্তম কায়বক্লবা,
লৈক্রেক চৎলবা মালেমসিগী
মরু কোক্লবা চীংলেন্নুংসিদা
চীংলৈবাক্কী থব্রাইশিং ব্রানবে
অব্রাবগী পনথৈ নাইদবে।
পাং-তুবেল, পুক্তি-হেংবন
চবি তৎলে ঙুর্সিদি,
মাহকৈ-সলাই খঙদা
শুপ্পতগী ঈশিং সনাপুন অমগী
হুপচিন্নবি থাঙ্গপাৎ যাঙ্গঙবীদা,
ব্রায়েল ফম্বাল্দি খ্রে-ক্রে হাই
হা হা লাউনবে মীয়ামসে।
মবালনা মপোৎ যাবদা
ওইজবদা মঙলাক্লববা খুন্নাইসি
খম-থেংখৈ অযো পনখৈদা
কৌব্রু, মার্জিং, থাংজিং, ব্রাংব্রেন, কৌনু
কুমদম্ব চীংউশিংবু কৌবি।
কোংবা লৈথোং ফাংখবে
অন্দ্রো ঈবাং থৌনিখবে
মাইচৌ হিবি কোনখবে,
খাঙঙমদ্রবা চীংউশিংগী ইথিলদা
ইবুধৌ থাংজিং খোঙদোইবকই
অপংবা তাইবংসিদা চৈবদুনা-
'নবুধৌ ঐবু কৌবদি
নোংলৈ নোংথাংনা তেমশিংলনি
মহৌশা লাইবেম্বাবু থাগোঞ্জৌহে'।

১৮/৩/৯২
ঈশোক টিং

লংনাই/১৬

শজিবু চৈরাওবা

শজিবুগী নোংম পানবদা
ইমুংগী মীওই চিংখদা
হবাউ-মোমোন মীনোক তম,
মৌগী-শিংদ চল্লবী
কংলৈ লৈমবেম্বী খিবিক্লা
অহল-লমন, মবুং মৌপাশিংদা
অনৌ চহীগী খুদোল তম
চহীগী যাইফ পাওজেল যেল্লিবা।
মৈহৌবোলদগী চৎনবক্লবা কুম্মৈনি
তাইবং মপুগা শাগোল্লববা,
লাইনিংথৌ-লৈমবেল অথেনপোৎ তম
খুনগী লাই, শাবোই ঙাবোই শুপ্লা
যুমগী থৌবুবেম্বা থৌবুবেম্বীনা
খোযুম মাবু পুনেমজ
নিজবি যাইফবা অনৌবা চহী
খোইক-থাউমৈলক্তা চাকলুক কত্তুনা
যুমথোং খুদীং থোঙ্গাল খুদীং
ব্রাত্ত-পাদ, নীংতম্না যাইফববা
তোমথিল ঙাল্লিবা মাগীদমক
মথেল খিবিক থেন্দুনা
লুকলেন হাবা লোযবগা
অৱাংবা লোযবীথক্তা কাদুনা
ইবৈচাশিং থৌনা ফুদোক্লিসে
মুৎনাইদ্রবা অথৌবশিং লীক্লমদা
মাঙলুববা ইনাৎ থিবিবনি।

২১/৩/৯৯

লাঙ্গোল।

য়াওশঙ স্পোর্টস

পুকবা মীবলদু শিংদোকাখিনবা
নাৎকী পবৈ হন্দুনা
অনৌবা পুক্লিংগী ঈচেন্দা
অমতা ওইবা লীচিংদা
হোল্লি খুন্নাইসিগী হিনাওসে।
অচুম্বগী পনখৈ নক্লা
অকবা ঈচেন্দা তাওথদুনা
নীংতম্বগী পান্দম ফংনবা
লোইলমগী কল্লবা শাফুলক্তা
মৈহৌবোলগী পুরাবী নীংশিংহন
শাফবা-শাফবী ইবৈবাকচাশিং
চীংযা-তমযা শিন্থুংনা
সহব-খুঙ্গং পাক শন্না
লৈকাই খুদিং চিথদা
তমথীববা লাযনা চঙহন্দা
মীনুংশিগী লুববা ঈচেন্দা
মৈহৌবোলগী থাবল কুম্মৈলক্তা
কল্লবা নোংচুপকী নোংলৈলক্তা
লমজিংলি যাওশঙ স্পোর্টসনা
অথৌবশিংগী লমদম শেম্নবা।

১৪/৩/৯৯

কৈশামপাৎ।

শাফবী মৈতৈ চনুরাশিংদা

মৈতৈ চনুবা থোইথোইবীশিং
নখোযগী নীংহন্নদ্রবা থৌনানা
মালেমদা শক্তাক্লি চাংলৈবাকসে।
চীংলোলনুংগী তাংলবা হি-যাই
ব্রাখল পুক্লিং চংখোনবী,
খুন্নাই শিল্লম-শিম্না চিথদা
শাফম লানফম খিবিক্তা
লানঙম ফিবাল থেক্তুনা
মিংচৎকী উবোং খিল্লিবী
ইবমদমসিগী লংলবা থব্রানমিচাকশিং।
হৌজ-থেংখাং খুদিংদা
ইবৈবাক্কী যাইফনবতা খন্দুনা
থব্রাই খুবাক্তা হাপতুনা
অব্রা ফিরুক খুন্নবী
ফনেক খোংদাই শেৎলিবী
ব্রাজববী পলেম অপোকপীসে
যাতোন কাঙনা নোকহন্দুনা
অনৌবা ফিজোলসু থোনবীবিবা
মালেমদা পলেম্মু শক্তাকলিবা
যাইফবা ওইযুকো শাফবীশিং
শক্তাকলম্মু নৌহৌননা পলেমসে
মালেমগী অথোই অহেন শান্নবুংদা।

ফেব্রুৱারি ২৮, ৯৯
খুমন লম্পাক।

৫শুবা নেশনল গেমস

ঈবাং লাংই
পুমলং লংই
শেমগৎলি শাগৎলি
অহিং-নুংথিল খাইদনা,
অহিংবা থরাই কযা
কৈবুল ফুমদিগী জগোইশাবী
হবাউ মথোই কাদুনা
শাফব-শাফবীশিং চাংযেংদা
ভারতবাসিশিংগী মশান্নগী চাইনপুংদা
মাযপাকপগী খোল্লাও লাউনবা
পীক্লবা চীংলৈবাকসিগী চীংমীশিংনা
হনবা লৈতবা থৌনাদুনা
চবা নামা চাবসু
চবৈ ফিমন থোল্লসু
অমুবা চৎন-পথাপ্পা নমথবিবসু
অঙম্বশিংনা উকায তক্লসু
মোমোন মীনোক্লা ওক্লিবা
৫শুবা নেসনল গেমস,
মাযপাকপা ওইযুকো ইবৈবাকচাশা
মালেমদা চীংলৈবাকসে শক্তাক্লবা।

১৪/২/৯৯
সহীদ মীনার, ইম্ফাল।

চীংলৈবাক্কী কোকিল

(অহৈবম শ্যামদা)

মোমোনতা তৌবা নঙুগী
চন্নবা পুক্কি মরেলদা
নশাগী ওইজরে থাদোকলম
ইরমদমগী ফেবাদা পোত্থানা
শুবগী নীংতম অতিযাদা
শিদরাই শৈতেক ঈপোমলক্লে
অনম-অত চুবরা ইরৈবাকচাশিং
শান্নবগী পাউজেল হেন্নম্
নুংশিখোঙইরবা চীংলৈবাক্কী কোকিল,
অহৈবম শাগৈদা লাংওনরা
ঈবোলনুংগী অথুপ্পা যাই
মীওইলক্কীদি খোই খোঙইরা
থরাইগী থরাই ওইরবা শাম।
ওন্ন-থোইনা খাংলিবি
রাজবাগী পালেমগী তেংথাখোল
ইবৈবাকচাশিং নীংতমদা পিরংলক্লে
পীববা লিদাই মীরমলেনসিদা।
কাউতমলরেইনদবা শুবদা
'শুমাং খুদিং মেবা রা'
থাউমৈ পবেং দিরাক্লি
নুমিৎ থানা ভাল্লিরৈঙে
মীওইবা খুন্নাইনা মুৎল্লিরৈঙে
ইহৌবগনি নহক্কী পুরাবী
মুৎনাইদ্রবা সনাগী মহেক্লে
নীংতমদ বিদাই পীদুনা
নিজবি নে-তাদ্রবা মীরমলেনসিদা-
লৈশেম মপুগী লৈকোন্দা
পোখোবোকে হে থরাই
চবাংনববা খুন্নাইসিদগী ইং-তপ্পা।

৩১/১/৯৯
গেলেক্সি ইংলিস স্কুল, থাংমৈবন্দ।

কংলই/৩১

থৱানমিচাক অমদা

(ডিক্কুদা)

এশিয়াগী থৱানমিচাকশিংগী মবক্তা
তোমথিন ঙাল্লিবা থৱানমিচাক অমা
মৈতৈ লিংজেল উত্তুনা
বেক্কোক এবেনা মনুংদা
নহাক্কী লম্বাবু নমথখিবা
মৈতৈ বোক্সর দিঙ্কো !
যোইহেনবগী সনাগী লিক্লাংনা
ঙাম্থোইবি যাইফথোইবগী ঙকশমদা।
মালেম হুপ্পা তানবে
খা-নোংপোক এশিয়াগী
পীকতকপা চীংলৈবাক মণিপুব
নঙগী থৌওইবীদ্রবা মৈতৈ খুন্নাই
মীযোক মীচান ফবী ওবফান হোম
কথোক্লবা ওঝা অমা
মীওং-মীনৈ কবপসননা মোংহল্লবা
চীংলোন্নুংগী পীকতকপা থেনসিদা
তবং তবং ঙাল্লিবা
হে এশিয়াগী থৱানমিচাক
ভাবত বোক্সিংগীদি ধুমকেতু !
সিদনি ওলেম্পিক্লা যেংলি'সে
নহাক্কী মাযকৈ তম্না
সনাগী পুৱাবী ইবম্নবা
মালেমগী শাফবশিংগী তাইবংদা।

১/১০/৯৯
কৈশামপাৎ।

অনৌবা চহীনা লাকপদা

থিংঙনদ্রবা ঈচেলদা
মতমগী লেপ্পাইদ্রবা খোঙচৎতা
চৎস্ত্রেদো অবিবা চহী
কাযন-পিবাংলক্তো
মতম পুম্নগী ওইনা
হন্না অমুক যেংলমদনা।
ঙসিদি অনৌবা চহীনা
খোঙদোই হল্লক্লে মালেমসিদা
ঙনৌবনী যেন্নিংথাগা ইবোইননা.
হে-মতমগী লাইবেন্নী!
মীগুং-মীনৈ, মীতাং-মীপুন
মপাং কাযনববী নিঙ্ভোনগী তেংথাখোল
মচা শেৎনববী পলেমগী ব্রাকৎ
হিংবগী হক যংনবা খোল্লাও,
তম্মথিবরা এইদস-কবপসন্না
লাঙ্গোই চল্লক্লবা মালেমসিদগী
অহিংবগী মালেম শাগৎনবা
মালেমগী সুপব-পরাব লৈবাকশিংদগী
অশোনবা লৈবাকশিং কঞ্জনবা
লোইলম শন্দোকপা লৈবাকশিংদগী
লোইলম কোঙ্গোই হুক্তোক্লুনা
মবোমদোম মবৈবাকশিং থোবক্লবা
মান্নবা মালেম পুবক্লবা
অনৌবা ঈনোৎ হাপ্পীবো
হে-মতম কৌবী লাইবেন্নী!

২/১/৯৯
হৈবোক চীং, হিযাংথাং।

নীংশিংলকপা

অঙাংশিং মোমোন মীনোক্তা
হবাউ-তযাম্বা মশান্নদুদা
চহীনা লুমথবর ঐহাক্লা
ইশানা ইশাবু কাউথোকচৈ
পুন্সিগী অঙনবা অযুক্তা
তাইবংগী অন্না-অনা যাওদনা
মুক্লা-কাংজৈ, থাং-তা
যুবী লাকপী, শবিৎ-শবাৎ
যেলহৌভে মশান্নশিংদুদা খোযদাজনা
হনবা লৈত্রবা থৌনাদুনা
পজেং যিবাল থেংখিবা
যাইফববা পুংফমদু নীংশিং
হকচাং লেং-ওৎকে হোৎনকবা
শক-শযাং কেম্লবা
মাঙগী লম্বী শাংলবা
তুংগী লম্বীনা তেল্লবা
ইন-ইযা কোক্লবা
পঙ্কি সঙ্ক্যা ওইবক্লবদা
ইশুশিংগী মেংলবা খোঞ্জেলদা
‘পুপু। ক্রিকেট বোল তাখবে
অমুক্তে খুনবীযু পুপু।’
মঙফা ওনবকখি যবনগী মঙলান।

ডিসেম্বর ২০, ৯৮
সন্মতি লাইকোম্মং রাঙ্গোই।

পৈশা

হে শকহেনবী লিন্দাওবী,
মালেম শিন্থুংনা কোযবিবী
নহাক্কী পালেপফম খঙ্দ্রবা
শাগৈ মশিং যাল্লবা
অউ অউবা পান্না
পুকচেল লেপ্তবী থম্মোযদুনা
মীপুম খুদিংবু কণ্ডাওনহল্লিবা !"
শুমহৎযাই পুবী শক্তমদা
নুংশিববা নহাক্কী শুবদা
তাইবংবু মোইথেম তৌবিবা
নুপী-অঙাং থাক্তনা
নহাক্তবু লুনা খঞ্জবিবা
প্রসিদেন্ট, প্রাইম মিনিষ্টব, পুম্নমক
মাঙলমচৎকী নিংথৌবেল খিবিকসু
নহাক্কী নপান্না ঙানখিবনি
কলিগী মতম যৌবকপসিদসু
শকহেনবী নহাক্কী পুজাবিশিংনা
মোন্দুম-মোনপাক্তা ওম্থোইদুনা

নহাক্কী শাগৈ চাউথোকহনখিবনি-
বন্দল বন্দল থম্মীখিবনি
য়োৎকী অনমিবা মনুংদুদা
হুমাং অনাপ্পি কাবমথৈ
হকচিক লাংবা হৈনদবী
পল্লেপযম খঙদবী নখোযাদ
অচিকপদা খোযবাং খোযশা ওনবিব্রা ।
ঐসু খঙই নহাক্কী নপুকচেল,
মতম সিদা নহাক্কা লোইননবা
ওইদবা ভাংবা, ইকায খঙদবা
লাম্লেংনবতাই শিবা কদনা
শাহিং চাবশিংগী থুন্নাইসিদা,
নহাক্কী শক্তিগী মকমদনি
মীনা মীবু নৈতংলবা
নিংথৌ চাক্লিবা থাইবিব
মন্ত্রীশিংনা শক্তি মৎনবিলা
মালেমদা শান্তি হৈনাত্রবা
লৈত্রগসু হেক্তা মবাই
লৈবগসু মথোং হুন্দ্রিবা
মিংলেন মশিং যাম্নি
শকলোন পৃবী শকহেনবা ।
নহাকপু যংনবা হোৎনবদা
চদংনবনা থবাই কযানা
হেদো-নাহে চল্লিবা
ইমুং-মনুং, মচিন-মনাও
মপা-মমা, জাৎ-বিজাৎ
নহাক্কী চাবোন্দা তাউবিবা
মীপুম খুদিং থাইবুং-থাইবুং
পুন্নমক নহাক্কী লীলানি।

দিসেম্বব, ৯৮
হন্দুং, উখ্রুল।

নিংথমথা

লেপ্পুবা মহৌশা খোঙচৎসিদা
মালেমগী মমোম তকক্লা
কুমজা কাংবা লৈতনা
তাইবং মপুগী থৌগল লাংলিবা।
কুমগী নোংজু লোইখ্রবদা
মই-মবোংগী চুপ্লবা লবক্তা
সনাগী মচুনা লৈতেং
নিংথৌনগী ফাইফ পাওজেল্লক্তো
মোমোন্নবা হিযাঙ্গনা খুৎশঙ্গা
ইং-তপ্পা চংখোনবি
উরি কাউরিবা মাযথোংলক্তা
মপাগী পরম কায়দা
খোঙদোই চল্লক্তে নৌথৌননা
কুমগী লাইবেন্থা নিংথমথ।
চবাংনবা মহৌশাগী যম্বাক্তা
চোকথবা তাইবং খবাইশিং
শান্তি ঈবিক খিক্লিবী
উল্লেন নংলবী পলেম্মি।
তাইবং শিল্পা পাংবদা
বাজববা থবাইশিং শিলহেন্দ্না
হবাউ মথোয কাবিবা.
উপাল-বাপাল খিবিকসু
নাঙাইদনা ভুমখুন তাল্লিদো
তাইবংগী অরা-অনা কাউথোক্তুনা
হে শান্তিগী লাইবেন্থী।
যেংখিনবা খুন্নাইগী খন্দুনা
নুংশিনবগী লাংলানা পুন্দুনা
নে তাদ্রবা মালেমসিদা
মোমোন-মীনোক্কী শুমহৎযাইনা
শান্তিগী পাউজেল চেল্লিব্রা ?

নবেম্বর ২৯, ৯৯
লিতান, উখ্রুল।

খোইনিং

ৱাকচীংগী থাববা উনথা লোইখ্রবদা
উবি-ৱাউবি মহৌশাসু পাইখ্রমানে
মতমগী লেপ্লাইদ্রবা খোঙচৎসিদা
যেন্নিংথা লাইবেন্থীসু খোঙদোই হুল্লক্কে
উপাল-ৱাপাল খিবিক্লা
মোমোন মীনোক তমদুনা
নুংশি মপাউ পুদুনা
খোইথুম্নববী যেন্নিংথা ভাইবিবা,
মবৌ চাউবা শৈশকপা খোইনিং
শুমহৎযাই মোইথেম ঈশৈগী শুবদা
শিঙেলথক্তা নুংশি তেনকাপত্না
শিঙেল লৈহি চুপ্লিবা'
থাজগনবী শিঙেলদি পংথাবি
পাম্মুবগী মোইথেম বাহৈদুদা,
মতমগী খোঙলোয ইবোইননা
* মৈতুংঙাগী নুংশি ঈপোমদা
হঙ্গাম মপান্না
ইকাই ফিরুক খুল্লিবা
ঙাংলৈনবী কুবাউ শিঙেল্লক্তা
খোইনিং নহাদি তোনানবা
মালেম শৈশকপা চেক্লাদুনা
লৈজবী শুবগী ঈপোমদা
শক্লি নুংশি ঈশৈ
শুবদা ঙাওজবী শিঙেলদি
থম্মোযদা মোমোন তৌজবি
যেন্নিংথা ঈপাল লাংদুনা।

নবেম্বর ২৮,৯৮
মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেন, ঈবোইশেম্বা।

* [illegible]

মতমগী পাখং তোনানবা

মশমু মনা তনাল্লা
শক-চু চংখোল্লি,
শাওং-শাদাসু নীংথিজৈ
নোংশা শবানবু ঙমজনা.
তনাপ-তনাপ্পা শক্তম্মি
ইনখৎলকপগী শুমহৎযাই শাওংদা
মতমগী ফিজোলনা তেংবাংলি।
হঞ্জল্লকই মিংশেলদা
চংলমদাই ওইবে মিংশেলদা

লংদাই / ৩৯

কোসমেটিক্সনা হাববা মনমদা
ইভনিং ৱাকিংদা চোকথববদা
বেষ্টুবেন্ট খুদিং পোত্থাদুনা
সিমিত্রি মীফম ফমলিঙৈ
লৈবাং খুদিং চীবোন তৌবিঙৈ
শক্তী নাপলদা ঙাওবিঙৈ
২১ শুবা শেঞ্চুবিগী
বোমীও শকহেনবসে
ৱাবক ৱাতেমবস্ ঙমদবে
লাইবিক ফংঙ পানিংদে
থবক্কা মতা শুনিংদে।
নোংমগী পৈশাদি মতাল্লি
হংদ-হংলুবগসু মশাওই.
এস পিনা শাদোং ওইবিঙৈ
মোন্দ্রেংগী মফমদা তাউবিঙৈ
পুন্সিগী অঙাওবা নোংলৈদা
মদোম নীংতম্লি হিনাওদি
খল্লুদে নোংমতা ঈবৈগী চৈথং।
ঙসি চাংযেংসু লোইখ্রে
খবব চন্দ্রবা মিৎকুপ্তা
কোকপী ঙাওবদুনা
তুফক-তুফাই ইচন-চন
মকোই মবাং ইচোম চোম
দেবদাসকী শক্তম লাং
মিৎলু পিবাং পিবোইননা
যাংলিগী কল্লবা ঈবৈদা
যুববা পুন্সি হিনাও
ঈবাক্লবি হেবোইনগী বৈত্যবনিদা
মতমগী পাখং তোনানবদো।

২২/১২/৯৮
কৈশামপাৎ।

মৈগী কুম্মে উরুবদা

যুমথোং খুদিং কাংদা
ল্যাযব অনং থিদনা
থাল্লিবা মৈবা পবেংসে
অমম্বা খুন্নাইসে ঙালহনদৌবিব্রা ?
মেবা থাগীদি থামৈদা
থামম্বা নুমিদাং মতমদা
ব্রাজববী থাশিগী মাযথোংসে
মৈঙান্না মোমোন নোকহল্লিব্রা ?
লাংবনগী মৈশা লোইখিবদা
মেবাগী পুর্ণিমাসু লোংথ্রমাল্লে
নিংথমগী উলেন্দি ঙাইঙমদ্রিবা
থাশিগী অহিং উবদা।
মালংবগী শহ্‌ম ফংবদা
মৈবিনা শাথেক উৎলিবা
মৈবানবী মপৈ-মপৈসি
তান্দব জগোই শাহনগদৌবিব্রা ?
শাবী-শানৌ, নহা-অহল শঙ্গু-শঙ্গু
অমত্তা ওইবা লীচিংদা
শান্তিগী খোঙচৎলা চৎলি'সে
অমাংবা খুন্নাইসে শেংদোক্লবা ?

নবেম্বর ১৫,৯৮
কৈশামপাৎ।

তামহৌরবী ক্বাথা

চান্দেল জিলা মনুং চন
অরাশিংগীদি হেক যুমথংনবদা
পীকতক চেংতক্না নীংথিজববা
চীংগী খুন অমদা
চহী-চা কযা লিশাংশিংনা
হিংবগী লানফমদা মাযবোং য'
চাকথুং ফি-থুংদ্রবা
শোংখহৌববা মপাবী মমোমশিংগী খন
খ্বাঙচেৎ মচি লাংদুনা
পুন্সিগী ৱাহন্থোক হংহৌই
লাইববী পলেম্মা তত্তনা।
লৈঙাক মপুনা নাথৈবীববা
তমথিববা লাযনা শাদোংলিবা
মপান তাইবং শম্মদ্রবা মফমদুদা
ৱাবে হাযজবসু ঙমজদা
অবা-চৈথেং খাঙদুনা
তাবিদ্রবা ৱাকৎ চবুন্দু
থম্মোযদা চেংনা কোনশিন্দুনা
অশি-অচংগী ঈখাইফমদা
মৈতৈ লিংজেল ফুদোক্নুনা
হনবা লৈত্রবা থৌনাদুনা
মহৌশা লাইবেম্বী মতম্বক্তা
থাশিদা ওইববা পুন্সিদা
পুর্ণিমা মহাক্তবু ঙাইবিবা
তামহৌববী পলেম ক্বাথা,
নীংশিংলি নৌহৌনা ঙসিসু।

নবেম্বর ৯, ৯৮

ক্বাথা।

কুট

ইং-তপ্না নীংথিজবী
পাকতক চেংতক্লা চংখোনবী
সনা লৈবাক কংলৈপাক্কী
তোঙান-তোঙানবা ফুকপশিং
পলেম সেবা তৌবিবা
চাংমী ফুকপশিং মনুংদা
থাদৌ ফুকপশিং থোইথোইবা
চনৌ তংবগী লীকলমদা
কট কুইম্ম পাঙথোকইদো,
চিযাঙ্গি থানা লাক্লবদা
মঙৈ মবোং লোক্লুনা
কুমগী শিঙ্গি পুক্কে পৈশিঞ্জ
নুমিৎ শিংবুম কযানি
অরা কোঙ্গাই থাংলুববা পামলৌ
কুমসি চহীগী থাদোক্লনি
মথংগী কুম ঙাইদুনা,
হবাউবা নোংমা ব্রাৎলিঙৈ
পামলৌ চংফম মচীন্দা
অশংবা উশা যুংদুনা
মহৌশা মীওইবগী যানচুক্কুদা
হাযবমগনি নুংশিবা খোল্লৈদা-
'কা কুট তাই'
নুমিদাং মতম যৌববদা
কুমগী ফৌনৌ শু
তল অহৈবা হৌদুনা
উহৈ ব্রাহৈ যোমদুনা
নিংথৌ শকক তম্লনি,
নোং হেক ঙানবগা

খুনগী খুঞ্জা খিবিক্লা
হবাউ মফমদা লাক্লুনা
হবাউ মথোই কানবে,
কুমগী কুম্মৈ হৌদোক্লুনা
কুমগী চনৌ তংদুনা
অহাও হাওতা খল্লনি,
লৈবাক ঙাকলোন চুম্লবা
খুঞ্জাওনবা লৈচাওনবা
নিংথৌ পুন্সি থৌনিনি।
মসিগী মতুং তাবদা
পুকযু মাবু থক্লুনা
পূক্লিং পাঙ্গলগী অৱাবা
পুংজা খবগী কাউথোকহন
অবৈ-লৈত শেৎন-খাইনা
অহাও-হাওত চামিন্না
হবাউ মোমোন মীনোক্তা
জগোই ঈশৈ কৎলনি।
যেলহৌগৈ পবম কাযদনা
নীনি হুম্নি পাঙথোকলম্বা
মতমগী অহোংবা ঈচেলদা
তাংলবা থাদৌগী কুম্মৈসে
লেপ্প্রমক ওইবে নবেম্বব ১
মেবা থানা বিদাই পীবমদাইসিদা
নিংথমথানা খোঙদোই হুল্লক্লিগৈ
তনৌববী হিযাঙ্গৈ থাজৎসিদা
শান্তিগী পাউজেল পুদুনা
লাক্লে ঙসিদি-
মীযোক মীচানফবী 'চবান কুট'।

৩০/১০/৯৮
কংবাই।

মিত্তা নম্মো

পলেমগী শিযোমনুংদগী
ঈ মতুম ওইবিঙৈদগী
চাউব-ৱাংগোল ফাবক্লে,
যুমলেপ চাবা লিংলক্লে,
লেপনাইদবা মতমগী খোঙচৎনা
খুৎশেমগী পুৱাবীদা খোযশাওননা
মাযাগী পুন্সিদা লুপখিবনা
পলেম পন্থৌ কাউথোকলুই.
নোংমতসু হংলুদে থম্মোযনা
মখোযগী অৱাবা খিবিক্তো।
ঐগী হাযবা লৌজনামনা
কবাম চাউবা মীওইপোকসিদা

মীতোপকী মযাদা তাওবিঙৈ
যাওং ইল্লিঙৈ মীবান যুমদা
যুমগী অরা-অনা খল্লুদে।
চহীনা লুমথবক্লবা পলেম
কযাদা রানা খাঙলিবা,
মসিবা হে তাইবংপান
মচা পোকচমন মহৈ '
লেপনাইদা পুন্সি খোঙচং
শিবা নাইবা তাইবংসিদা,
তৌবাংথক্তা হেদো নাহেবিবা
অহলগী অবোইবা বাংলেনদা
মচা নোংযাইনা হংলকই
'হাদা পলেম নুংশিবী,
পলেমনা হা-যাব' 'মতং
নচা ঐঙোন্দা তাকপীযুদো '
তাইবং চেংজেল লোইবকলবা
লাইবমলেন ভিসা ফংলবদা
তংখ্রবা থম্মোযগী লংলা
নুংশি-ঈচেল থৈখ্রবা মচাশিং
ঈতিনফমদুনি লাইনিং ওইবিবা ! '
মিৎলু পিবাং পিবোইননা
শোল্লকই নাশোন পিক্লা
'পাবী নোংযাই চুপনিংবা,
কল্লিঙৈ মতমদদি উখিদ্রবা
ফংঙমলোইদবা নুংশি চেংজেল
নঙগী থম্মোয মথেলসে
থরাইনা হকচাংগা খাইনবমদাইসিদা
মিত্তা নম্মো ইচা'বুংঙো।'

নবেম্বর, '৯৮
মররাবি হোস্পিটাল, ডিব্রুগর।

মশক উদবা

চিবোন চিবোন শোন্নে
অমদগী অনী, মথং মথং,
পলেম খিবিক্লা পুল্লবে,
দুকান ঙন্না লোন্দুনা
কৈথেল ঙন্তা খম্মী।
নুমিদাংসে অহিং ওনখবে
মীচিক মীবা ওখোল তাখিদ্রে,
মচা মচাদনা
মৈবা পবেং পবেং
পলেম মানবীশিং যাইবেক্লি।
অনী, মঙা, তবা
মাগী চাকথাক্লি তন্নিবা!
নোংমা কাংদ পিখম্নবিবা
তাংলবা তাইবং কযানি!
থিংবিনবসু যাওদা
মপুগী শিংককসু যৌঙমদা
অঙৌবা ফিনা কুপতুনা
লৈগী দোল্লাই তোংখিবা!!!
পীক্ল ইংখোল চাইগোইনুং
অমত্তা পুনশিন্নবা যাদে
নপাক নপাক খাইবুং-খাইবুং
চফু কাযবে-
ক্বাক্লা মোমোন নোক্লিবা,
পুক্লিং লুনা খনঙমদ্রিবা
অতৃম্বা নখোযদি খঙলিবোই।
চীনগাইরা, মীহাৎরাবু খুৎশম্নবিবা
মশক উদবা খুত্তুনি।

২৫/১০/৯৮
কাইনা, যাইবিপোক।

কোঞ্জেং কোকফাই

নোং ফুং ঙানবদগী
নুমিৎ খম তাবফাও
পোখাদে তোল্লবা পুন্সিদি
ৱাই হাই'ফাও হায়ঙমদে,

ইান্দ্র ময়োল চোংদবে
শাম্বা পাঙ্গলসু ময়েং তাবে
হামচং হাম্ফোই মল্লবা হকচাংসে
লেপ্পা লৈতে পুন্সি-শিন্থা,
তাইবংদা হেক খোঙদাঙৈদগী
নুংঙাই শকক তম্নীবমদ্রবা
নোংদম থীববা মপোকসিনা
নোংদম্বনা নোংদমখোল ঙাইবকপা
চঙী কুমশীং যাম্লক্লে।
নোংদম্বা নহাক্কী মীনুংশিংদগী
নাথৈদুনা চৎখ্রবা পুন্সিসে
কনাদা অমুক হ্রাকৎলুনি!
শুগনবা লাযববা
চাগনবা যাঙ্গংলা
হিংহৈদবে নঙগী কংলৈপাক
হিংচা যাইতম্বনা চাক্তাববা
মীনুংশি যাওদ্রবা খুন্নাইসিদা।
মেল্ল মেল্লগা যুবক্লে
মনুং ফুনবা ঙমদবে
নোমখৈ নোম্লুবগা
মনঙ্গন্দা মকুম থুববা
কোঞ্জেং কোকফাই নুংশিবী!
হাদা থব্রাই নোংদমথীবী
লাযব কংলৈচা ঐখোযসু
নহাক্কী পুন্সিগা পাঙথক ওই
হিংবগী মমি শাম্লক্লে।

২৫/১০/৯৮
য়াবন পাৎ।

অরোইবা ব্রার্নিং

যেংখিবদা মিংফম হোংঙমদ্রবা
পুমবুম্না নিংথিজবী শাবান্নী.
পুর্ণিমা থাজনা ইকাইজবী
ঈ থাংনা কোইদানবী মাযথোংগী

লংদাই / ৫০

শাডি মিগ্তাদু ঙমজবা মিংসনা
তম্পুপ-তবেং, কয়েং কাফেং,
তবাববী ঙাংলৈনবী চানবান্দু
খোইকম মোমোন মীনোক্তো
নুংশি লাংবু থাক্লিবী,
হৈযাই অমুনববু ঙমজবী
তঙাংলবা খজাই অনীদুনা
পাখং থম্মোয হুবিবা,
লাংবনগী খোইহিগুম তনিক্লা
শুমহৎযাই পুবী শক্তম্ম,
পাদ্রিক পাববা ফিজোলদুদা
হকচাং কযাৎশিং নীংতমহন
লমহেনবী পূক্লিংবু ঈনোৎ হাপ্লিব্রা ''
হিংনবা লালফমদা মাযযোক্লা
মশাগী ইজ্জৎ খোঙ্গোইনা
ইবাং কৈথেলদা মন্তিক্লবীদো
লৈবীনবা মশীং ব্রাত্তেদো,
ক্বাগী মমলসু মখল মখলনি
চাম্মা, চামঙা লিশিংনি,
হাযনৈ মীনদি চিবোন-চিবোন
ব্রাংখৈ ক্বাদি অমৃত্তনি।
জীপ কাবনা কিউদা
থিকাদাবদগী মিনিষ্টব যৌখ্রমানে
শকহেনবীদুগী পানা মনমসে,
ঐনদি নোক্লি ইথন্নতা
ঙৌবোক ঙৌনা তনৌববী পুম্নুম্নববী
ফৈগন্দুদা নোংমদি শোযবোই
অবোইবা ব্রার্নিং শকলোন্দা।

১০/১০/৯৮
কৈশামপাৎ।

নশুমাং হান্না শিংলুনে

মীগী মমা ফজবীদো
নমা কৌবা যাবোইযে.
নোংফাদোক খুন্নম্বা যাই
নীনি শুবদি মযাবোই,
মীতোপকী ফিজেৎ লৈতেংদা
থোইচৎনবিবা শকহেনবা-শকহেনবাশা '
ইশাগী-ইনাৎ মীবাইদুনা
মীতোপকী পাবী-পুবীনা
যেলহৌমীগী পাবী-পুবীনি খন
নশাগী যেক-শলাই কাউববা
হৌবকফম শাংফম খঙজদ্রবা
নশামক্কী পুরাবী মীবাইজববা
মীবমদম্মা লাইবৈবাক্লি খন
মীতোপকী মোইথেমদা পঙথবিবা

মং থল্লবা পোক্লবা
হে মাথাবোঙ মীতম্নানশা ।
য়েংঙু নমিৎতু পেন্না
অথৌবা লিশিং লিশিং
ইপা ইপু লাইওইখ্রবশিংনা
ঈগী খুদোল তম্বীবম্রিবা
মীথা পোন্দ্রবা চাংলৈবাক
ঈঙাং পাকতক্লবে
ঈমু পামফেন্নবেদো,
নোংমা পোকপা মচানি
নীনি শিবা হৌনদে
অথৌবা কয়া চৎখিনি
অথৌবা কয়া'সু লাকখিনি
নীংতম্নীংবা থবাই খিবিক্লা
পুন্সিগী থৌদাংনি থন্দুনা
পলেমগী খোমলাং-লমন শিংনবা
থবাইনা পোন্থা ওইবি
ঈখেংলকসিদা যাইবিবেন্না ।।
ঈমাং নখোযদি নোক্লিববা
নবুক নোইব নোইবদুনা ।
হিংন হিংনা শিববা
হংলাই নখোযগী পুন্সিনা
মপুগী বাখল চেন্দা
মীপান্দা তাংদুনা লেন
মাগী অবং-অবাক্তা মিকাবিবা
ঙাইহাক মোইথেম বাহৈদা
নশাবু নশানা কাউজবিবা
হে মীমান থবাইশা
নঙমাং হান্না শিংলুনে।

৪/১০/৯৮
দিমাপুব।

পুন্সিগী হিদেন

ঙসিদি তাউর্থবি নীঙ'ইদনা'
পুন্সিগী পীক্লবা হিনাওসি
পাক্লবা পুন্সি ঈপাকসিদা,
নোংলৈ নুংশিৎসু লেপখবে
ঈথক-ঈপোমসু উখিদবে
কোবৌ মাসু তাখবে
পুন্সিগী ঈবোলনুং'সিদা,
নৌ যাওদ্রবা ঐগী হিনাও
হোল্লি পল্লেপফম খঙদা
শুক্র মন্নবা অহিংসিদা
থবানমিচাকশিংনা লক্লবি তত্তনা
অযম্বা ঐহাক্কী পুন্সিবূ
পৃকচেল তপ্পী চানবী হৈবাঁ
শজিক-থবানদি লমজিংবীবি
পুন্সিগী হিদেন যৌনবা।

২৭/৯/৯৮
ৱাঙ্গোই।

য়ুমদাংবনা কৈনারে

পুন্নমক তাকখবে
অহিংবা তাইবং যাওদ্রমাল্লে,
মৈতৈ খুন্নাইসু মুৎখবে
শঙাইদগী খোঙলৈ হানখবে,
লমলৌ রাখল মাঙওইননা
মীনুংশি মচেৎ মত্তা যাওদা
অকুংবা খবাইদা নিকখবে
অশি-নিংথৌগী চাকথাক ওইনা
শক শযাংনা নীংতল্ল
হিংচাবগী চাকতাফম অসিদা,
হু চেল্লবা মৈবিদো
খেক্লা নিলনা কামথোবক্লে,
ঈশ্বরগী নাম শোনশিন্না
সনালৈবাক মংলেন শেল্লে,

মচা কাযনববী মমাশিং
পেন্দ খোইশাওনবগী তেংথাখোন,
মশাবী শেংন-খাইনববী
থব্রাইশিংগী মিকপ মীবাওখোল,
মালেম শিনবা থুং
নোংথৌ পক্লা নিনখবে,
পোমশাংনবী লৈবাং কয়া
উফুল্লক্তা চোইজাইনবে ঙসিদি.
লৈকোলগী খোইমু শাফবা
শাগন চাক্লে নৈহৎপীবগী মৈবিদা
অমুবা লৈচীন্না কুপখ্রমাল্লে
মক্রুবা অতিংঙা মকোযসে.
ঙাল্লম্বা নুমিৎসু তাখবে
অমম্বা খুন্নাইসিদা হুঞ্জেল্লুপ্লগা.
হিংবগী মহাওসু চুপথোকপাখবে
লোইলমগী কল্লবা মৈবিনা,
কংলৈ খুন্নাইগী তাঙ্গোইদা
কবম্বা থব্রাইদি লেমহৌবি '
মপাবী-মমোম খিবীক্লা
তুমখুন তাল্লি নীঙাইদনা,
নোংদোন মাসু খাঙঙমদ
লৈচীন ফিরুক খুমখবে.
মিৎলু-পিবাং পিবোইননা
পলেম্না খাঙলি ওন্ন-থোইনা
তেংথাবি ঈগী তুবেলসে যেংদুনা.
লংজা কাকনা চাক্তাববে
অশিবা হকচাংশিং শাদোংদা
লমলৌ-লমহুইনা খুল্লিংলে
যুমদাংবনা কৈনাবে।

২৭/৯/৯৮
কংলাতোংবী।

নীংতম ঈহৌ

নৈহৎপীববা পুন্সিগী জগোই,
লোইলম চৈথেং শৈহেক -
নীংতম ঈহৌ ! নীংতম ঈহৌ ! নীংতম ঈহৌ !
ব্লাংনা ব্লাংনা কোবৌথক্তা পাইদুনা
পম্বুংফম ঈপাক্কী জগোই শাথেক উৎলি,
কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎলক্তা শৈশক্লুনা
অকনবা ঈথক ঈবৈনা কৌবি খুল্লাম তোইনা,
মচীন তুমখৎলক্লিবা ঈহৌ মাযকৈ যেং
চীংজাওনা লাউবি "নীংহন্নদনা চঙশিল্লু মাঙদা"
মথৌনা মবিংজেন ফুক্তোক্লুনা
পুন্সি ঈচেলনা চেল্লি ঈপাক তম্না
নীংতম ঈহৌ ! নীংতম ঈহৌ ! নীংতম ঈহৌ !
অবংবা সনা অহিংবা মচুবু চুপ্লবা

অপুনবগী ঈহৌনা পাইবি লেংদোন পঙ্ক'.
কংলৈ খুন্নাই মমিৎ মমায পাংনবা
নীংতম ঈহৌনা চেল্লি ঈবোলনুংগী সমুদ্রদা
মীওৎ মীনৈ, মীহাৎ মাপুন হুমদোকখিনবা।
চীংযা-তমযা, লবুক-লম্ফাং শিল্লুং
শন্দ্রেম্বীদি অরা চৈথেং খাঙলিবা।
নচাশিং লাকচবে-নীংতম ফিবাল হাইগৎলবা
ঈরাযফম পুন্সিগী জগোই শাথেক্তে
পেন্দবগী অরাংবা খোঙ্জেলদা লাওবকলি -
নীংতম ঈহৌ। নীংতম ঈহৌ নীংতম ঈহৌ।
নিংশা খুহোল খুদিং লেংলৈ নংশিৎ
নোংলৈলক্তা থীল্লি সোম্বেনগী লানবুং.
নোংপোক নিংথৌ-পাঙ্গেইবানা লৈনা জগোই শাবিবা
কৌব্রুগী শজিনা থাংজিং মশাইগেন্না, শাউইদ
লানগী লানবাও চেল্লি-কংলৈ খুন্নাই কংবা।
খুমন কুকনা লাউবি
'নোংথাং, কংলৈ খুন্নাইসে ভালহল্লোক
নীংতম ঈহৌ মৈবানা চাকলি
মঙাং, লুবাং কুক অনীগী থম্মোযনংদ
মহৌশা মাগী শোইফদ্রবা থৌদাং কাযদন .
মীবোল কযা চক কযা ঙালহৌনবা
নীংতম্বা পুরাবীগী ফিবাল পাইবি
মহাদেস মহাসাগব শন্না
লেপচসনু মবোমদোম
নৈহৎপীবরা মালেমগী ফুকপশিং
অতিযা কুকগী থম্মোযনুংদা
নীংতম্বা পুন্সি মনীং-তমনা
শক্লসনু অপুনবগী খোঙ্জেলদা
নীংতম ঈহৌ। নীংতম ঈহৌ। নীংতম ঈহৌ।

১০/৯/৯৮
কৈশামপাৎ।

নিংথৌ তুরেল

তবং মালং পাংবদা
মিৎযেং বাংমা লান্না
তাইবংগী তান্নবা মযমদা
থবাই অমত্তগী ঈথিল যাওদা
যেংথীনবা ৱাখলসু থাদোক
নুংশি ঈবিক্লা থল্লবা
লাইবেল্লেনগী শুমহৎযাই মফমদুদা
শান্নবি থৱানমিচাক মপৈনা
কেক্রু লোৎপী মশান্না,
অমম্বা তাইবংবু নোক্লবি
ঙবাংগী খুন্নাইসিনা তৌবিসে
মিৎকুপকী ওইবা পুন্সিদা.
অমোৎপা পুকচেলবু কবেম্নবি
পংনা পাল্লিবা তাইবংপানসে
নোংদোনথক্কী নিংথৌ তুবেলনা।

২০/৯/৯৮
ৱাঙ্গোই।

তখেল্লে

মপুগী শিন্না পাংলবা
রাকচিংগী উল্লেন কিদা
তাইবং থম্মোয় শুমহৎলিবী
নীঙাইদনা লৈশাং তম্লিবী
হাদ লৈবাং লৈনুংশি।
ইংন-তপ্লা নিংথিজববী
শুমহৎযাই মোমোন মীনোক্লা
খাঙুথক্তো চোইজাইনা কেৎলিব
নাপদা চিনগে কুশি
হুনজেক্লিংবা মতমদসু লংঙেক্কবা
ফোঙঙমদ্রবা অবা-চৈনানঙ
ওন্ন-থোইনা খাঙলিবা
লৈবাং নতাক্কী খনবদা
লৈতাদবে পুঙমদ্রবা থম্মোয়দসু
যেংনা কপচবা নংনো
উপায় লৈত্রবা পুন্সিনি
কবিগী অসুম্না ওইহল্লিবা
নোংদম থীনসু তমলম্নোই
তোল্লবী তখেল্লে লাইবকসে।

১৩/৯/ ৯৮
লাঙ্গোল।

তন্দন

শুক্র মন্নবা অহিংসিদা
নাঙাইদনা চূবি ইঙাগী নোংসু
অখাক অবাও ইবোইননা,
মকুম মথানি খন
মনাং তন্নে মহাকসু,
হঙোই বোবোবীগী ভাম্বাদা
কৌজেং হাবৌগী শৈশক্তা
পুকচেল মক্কবী থাশিগী অহিং
মোৎলবা থম্মোয চামথোকলম
বাবমাল্লে ইঙা-নোংজুসু পোথাখবে,
অনম-অহা চুববা তন্দনসু
মিকপ থোক্কে নৌহৌননা-
মহৌশা লাইবেম্বীগী মতম্বাক্তা
ফুম্বংনকুববা তাইবংসে ঙালহল্লে
অনৌবা ফিদমগা ইবোইননা।

২/২/৯৮
কৈশামপাৎ।

শম্বল

পুকচেল খোইজেল তিন্নরা
অবৈ-লৈতা যেন্নবম্বা
লিংজেল মান্নবদা শিংথানবম্বা
ইপু চাউবগী ইমুং
কুইনদগী যূম্লক্লবা মৈগা-চিং
উংখৎনবগী লাভা কামথোবরে
পুম্নমক তাইওন্নবে ঙসিদি
ইপুগী পুন্সিনা রাখৈথ্রবদা।
লৈবক অমা শৈশক অমা
খুঙ্গং অমা লৈকাই অমা
তোঙানবা শাগৈ নিঙোনশিংগী
শম্নদবা রাখল পবিংশিংনা
অখুবা রাখলদা তেমশিংনা
নাপলগী শাদোং তোংলুবনা
থন্থহৌদ্রবা মিৎকুপ অদুদা
শাগৈনা শা-কৈ ওনখ্রবদা
মীনুংশি ঈচেলসু নাথৈখ্রে
যেংথীনবগী থকম লাংনা
পীক্লবা ইংখোল চাইগোন্নুং
শম্বল খাবল্লে ঙসিদি।

৬/১২/৯৮
রাঙ্গোই।

থারিকথা

মালংবগী ঈহল যংবদা
মোমোন ঈনোক তম্লিবা
থাবলগী মেঙুলবা মঙালদা
চবাউ মখোই কাবিবা
অহিংগী লৈবাং লৈনংশি
ঈমাইথংকী থারিকথা।
লৈবং নদিং মিতাবা
খোইমু নহাদি ঙাঙুজেংবা
চকোল কাইক তাদনবা
লৌনম্মা তাইবংদগী লাপথোক্লকবা
ফংগাইনা শাংলিবী লৈবাং-ও।
চাক্লবা অহিংগী তাংলৌসিদা
অৱা মৈশা লাংদনা
লুবনা বাখলগী লাইশঙদা
মপুগী মিংথে শোল্লিববা ’
কৌবৌ মানা থোক্লিকৈঙে
ইনুং তৈনা ঙান্দ্রিকৈঙে
খুমনগী ৱাংলেন অসিদা
তাইবং মপুবু পুনেমজ
পুন্সি শিন্থা পাংলিবা
তাইবং শিল্লম তাক্লিব্রনে ‘’

৬/৯/৯৮
মাইবেলপাং, ৱাঙ্গোই।

অচুম্বা ব্রাযেল

কংলা ব্রাযেলপুং মনুংদা
পুম্মনিল নিল্লে মীনিন্না
চিবোন চিবোন শোন্নে
তুমিন্না অমুকস্সু লৈ
ঙাইহাক্কী পুংজা অমদা
সনা খোঙদোই হুল্লক্লে
লাইনিংথৌনা ফম্বালদা ঙম্লোইবদা
ঙবাংগী বাযেল শম্মথনকই
ইনিংথৌনা যাথং লাউথোকই
''কনা লৈ - ?''
''ইনিংথৌ ননাই ঐহাক'
''পাখং লৈশাবীশিংদু কৌবকউ''
পাখং অমা লৈশাবী অনী
সনা মাঙদা লেপ্লবে
''ঙসিদি অবোইবা বাযেলনি''

মীযাম পুমচিক চিকই
মনাই অমা থোবকই
থাঙশাং অমা শংলগা
"শকহেনবী ইমোম অনী
নখোযগী বর্বনি খংনবিবা
পাখং তু-নানবা মহাকসি
তংখাই-তংখাই যেন্নবোদো
ঈ'খৌ পাখংবনা কুবীসনু-"
চাংযেং থাঙশাং হাইথবকপদা
তশেংনা নুংশিজবী নুজাদুনা
তানিক্না পাখংলবা খোঞ্জেলদা
"অমুক্তা ঙাইবীখোনে লাইনিংথৌ
পাম্মুবগী থবাইদদি কনবীযু
খম্মোযদা লাংচবগে মহাক্কী
কাউঙঙম্রবোইদবা নুংশি শক্তমদো
শকহেনবীসিগী ওইজখ্রসনু হকচাংসে।"
খোইকুম মোমোন মীনোক্তা
ইনিংথৌনা যাল্লা কাঙলকই-
"ইমোম নহাক্কীনিনে মহাক্তি
নবাল যাইদা হলল্লাইবো
পুন্সি লৈপুন শেম্মুবো"
অনীশুবা শকহেনবী নুজাদো
শুনু যাইঙং তৈখবে
মীনাই নাইথাং ওইহনখবে
কৈশুমশঙদবু তন্না থাজিনখবে
মীযাম খুবাক খুনবকই
লৈশেম মপুবু থাগৎলকই
লাঙনবকইঃ
ল্লাযেলমপুগী অচুম্বা ল্লাযেল।

৩০/৯/৯৮
হৈবোকচীং, হিযাংথাং।

কৈথেল লাইরেন্সী

ইঙাগী নোংজুসু লেপথবে
শিংলম্বা নোংলৈ নুংশিৎসু পোথাখবে
নোংথাং মাসু লোৎখ্রমানে
কৌজেং হাবৌসু তেংথাখিদবে
বোবোবীগী নোংজু-ঈশৈসু তাখিদবে
থাশিগী মন্নবা অহিংসিগী
অমম্বা ফিজং মকুমদা
পোথাবি থব্রাইশিংনা নীঙঙাইদনা।
মুশি মুশিববা মৈবিলক্তা
কিন্থববা কৈথেল মচীদুদা
ফিজেৎ ফিগাই শেং
মশম-মনা ইফা-ফা
তেংথাহৌই অঙাওবীগী পাঙখক্লম
ব্রাজববী পলেম মহাক্লা
মপাবী-মমোম শেংন-থাইনবগী মৈচাক্লা
পুঙমদ্রবা লুন্নবা থম্মোযদুনা
ওন্ন-থোইনা কপহৌই-
"ইচা পীযু, ইচা পীযু, মীহাৎপশা'
নখোযনা হিংথৎ থৎখিবনি
পিখম্নহনখিবনি পাবী-ইমোর্মশিংগী পুন্সি
খাঙুথক্তা কেমহনখিবনি
পোকঙমদ পোকপা থবাইশিংদো
মুনখিবনি ইতমবাক'সিদগী
মীনুংশি 'মত্রা যাওদনা
নৈহৎখিবনি ঈহিং-নাহিং তাবমখৈ।'

৩০/৮/৯৮
লাঙ্গোল লাইবেন্নী লাইকোল।

মতমগী য়াকাইরোল

থৱাইগী থৱাই ওইবিবা
নোংদমখৎলক্লিবা পীবা নিঙোনশিং
খুমন কুক থুপখিদৌবে
মঙাং কুকসু ঈৱাইবক্লে-

লংদাই/৬৭

খোমলেন মিকপ থোক্লোনে
কংলৈ মপাবী-মমোমশা'
শিদযাই মিংখৈ শোন
কুক মাবু গুনেমজ
থব্রাই হামচৎনবা
অনম-অহা কোক্লবা
পূক্লিং, লৌশিং পীবিনবা
পাঙ্গল, থৌনা হাপ্পীনবা
ঈচাক-ঈবল পীবীনবা
কংলৈ থব্রাইশিং যাইফনবা
মীনাই যোহ্লিং হুক্কোক্লনা
মালেমদা মশক তাক্লবা
পলেমগী লমনবু শিংডম্লবা
ঙসি কোবৌ নোংসদা
ঙসি কুকবু পুনেমজ
মোং-হাদা পুন্সি মবেলদা
মীনুংশি ঈপোম্ম লাং
যেংথিনবগী পনখৈস, লৈথোক
সনাগী কৈবাক থাদুনা
মালেম নোংদোন শম্লহনা
পলেম পল্লৌগী মথানুংদা
শান্তিগী ফিবাল মখাদা
ওন্না-থোইনা শান্নদুনা
লুববা বাখল ঈচেলদা
*নুংশেং পূক্লিং লাইজথক্তা
পুন্নশিন্নবগী হিনাও তোংদুনা
শক্লসি-
মতমগী যাকাইবোল শৈরোল্লসি
মালেম শিন্নুংনা নিন্নবা।

২৩/৮/৯৮
কোংবা পুককশৌবী লাইযম।

* নুংশেং = শং দোক্লবা পাক্ক

নন্দোন্দা ঙাইরে

মীযামগী সেবাদা ঙাওজ
রাজনীতিগী ঈপাক্তা তাউবিবুঙে
পুক্কি লনগে থল্লিবুঙে
হুগী ঈফুৎ ফাওবক্লিবুঙে
ঐগী ঙাক্লেনি খল্লবে।
তাৎকী মীনুংশি মৈবিদা
মৈবানবি ওইকবে পক্লিংনা
পন্থৌনা থম্বাবম্বা লৌবী-যুমযম
সবকাবগী থবকসু পাইখবে
মখোন মখোন দুকানশিং
মনিল ওনখবে ঙসিদি।
লাপ্ত-লাপ্লিবুঙে লাইওই
নক্ত-নর্কশিল্লগা যোং ওই
ভোতসু কাদনা মতোকই
হঞ্জিন-হঞ্জিন লেপ্লসু
সবকসকী ক্লাউন ওম্থোকপীবে
পুম্নমক তাক্লে ঙসিদি।
চাকখুম মৈনা লোড় সেদিং
চাকখাও লম্বীনা ব্লোকেদ
শেন্থৌবনা যাকাইবোল শকচিল্লক
ঙাবোইশাবান্দগী ঙাবিশাবান লাংওনবী
নন্দোন্দা ঙাইবে ঙসিদি।

২৩/৪/৯৮
লাঙ্গোল।

নীংশিং যুম্বী

কংলৈপুংগীদি হেক মযোন্দা
কংলাগীদি মোইবাং-লাইজিদা
নোংজু-নুংশা কুম্বী কালেনলক্তা
অথৌবগী মকশিল্লবা মাযথোং
কাহৎন ওমচাক্লবা রাখল্লক্তা
মাঙলমচৎকী পুবাবী নীংশিং
অযম্বা শুথাংশিংদা যেং
পুনশিন্নদ্রবা থম্মোযগী খনবদা
মাযথোং মাযহিং কাদুনা
অরাবগী শ্বব তোল্লিব্রা '
অপংবা কংলৈচাশিং লৌশংনা
খঙলক্লবা মিৎকুপ্ত নীঙঙমদা
পেন্দ মথি যোঙলক
ওন্ন থোইনা খাংদুনা
চিববা মিৎকুপ তানযৈদা
ফিদ্রিং-ফিদ্রিং চোংনা-খাঙ
নৌনা খুম্বোকপা ঙাইবিসে।
হিংবগী হক মৎপীখ্রবা
পুরাবীগী মমি শান্নবা
পুন্সিগী থাউমৈ মুৎখ্রবা
উচুক অমগুম খিনবীথিবা
হে নীংশিং যুম্বী !
পোথাহনবীযু ঐবুসু ননাক্তা।

৯/৮/৯৮
সহীদ মীনাব, ইম্ফাল।

হৈরাংখোই

নবা শাবেপ ফানবা
থোইনা মহাও লৈববা
অবাম খৌবাং কোক্লবা
তাইবং চান্দম হৈনিদো
খোইথুম মহাও লৈববা
পলেম খিবিক্রা উল্লকখিবা
চাংউনা থাবা হৈবাংনি।
তাইবং নরা খিবিক্রা
শমু পাঙ্গল কন্নবা
শিদযাই নাদযাই মহীনি
নবা ওইবা খিবিক্কী
যাইবী মবাং কাযনবা
হবাউ তযাম্না পান্নবা
যুমলেপ চাব লিংনবা
নমু তাইবং খুলিংনবা
মীতম হৈনিদো হৈবাংখোই।

মে, ৯৮
কাইনা।

শারং মনুংগী নোংশা

- অদুঙৈ নপান ফবিঙৈ
পুম্নমক্না ইকাই খুম্নবীবম্বা
থৌনা ফনা লিংজেল খাবদা
লম্বা পাবীনবা লৈত্রবা
হে মৈদিংঙু নোংশা !
নহাক্কী নযাথং হীকতোক্তা
নীংতম্লবা নবৈবাক উমংসিদা
অচৌ-পীশক অচান-মীবাই নাইদবা
অচুম্বা ৱাযেলদা থৱাইশিং পেন্নাখিবা
অৱাবগী শকলোন্নি ঙসিদিঃ
তমথীববা মীওইবগী থৌশিলদা
মক কোক্লে চীংশাং
তেংথাবি উমংগী থৱাইশিং.
তাঙ্গোই ওল্লবা মহুম-মকোর্নাশিংগী
চোংথোক্লম্বনি নহাকসু থৌনা ফনা
তোল্ল-তাব থৱাইশিং হক্কীদমক
পুম্নমক খঞ্জবতা মঙাইবে-
কাংখুল মুৎত্রগদবা ফুকপকী মৈচাক্তা
মিৎলুগী পিবাংসু ঈহৌবক্লে
লোইলম যোৎলিনা পুল্লবদা
চপখাযত্রবদা পাঙ্গল থৌনা
পুঙমদবা থম্মোযদুনা খা-চিকলি
যোৎকি চেৎল' শাবংনুংসিদা।

২/৮/৯৮
ঈবোইশেম্বা।

নোংজু ঈশৈ

নোং ও চুবো !
চবাংনবা য়েংথানবা তাউথবো
অমকপা বাখলশিং তাউথবো
য়েংথানবগী মৈবি মুথৎলো
অমম্না থরাইশিং থুমতংলো
কংলৈ অথৌব-অথৌবীশিং তেকখৎলো
মীওং মীনৈগী ঈপুমশিং
তোংজৈ মবিন্দা চিথখ্রো।
পুম্নবা খুন্নাই ঈচেলসি
লুববা ঈচেলনা শিন
মান্নবা খুন্নাই শেম
মীনাই য়োম্লিং হুকতোক
নীংতম তুবেল শেমদুনা
নীংখা তম্না শান্নহনবীবো
কংলৈ নুংশেং ঈচেলদা।

২৬/৭/৯৮
কৈশামপাৎ।

লংদাই/৭৩

সনা খোংনা

হে লই ওইনবা উপাল।
মীবোন কয়' কয়া
কুমজা কয়া

লংলই/৭২

লেপ্লাক্লি মখাম অসিদা
মোং চাব তৌদনা
লমদম্মসিগী লৈবাক লৈচাওলক্তা
খুন্নাইসিগী ঈশিং নুংশিৎলক্তা
মাবোন মবেন্দা
অক-অনৈ ভুইবং ঈচেল্লক্তা
লেঙুদন খদম চৈরিক
পুকচেল ওক্লী চানবী চৈবী
চেক্লা কয়াগী কাইদোংনদ ঙী
খবাই পানবশিং উবদ ফংহন
ভুইবংগী উশিল ওই
ওইদবা খুন্নাইসিগী চৈথেং খাঙু
নোংজু-নংশা অইং অশালগু
কক্সা-কালেন নাইদনা
খাদে কৈবা চায়দনা
মী ওইবা খুন্নাইগী খন্দনা
লেঙবম্ অচল ওইবনা সনা লোংনাং
খাঙুবগী পাঙ্গল লোইবমানে ।।
শেন্নবীদ্রবা মিংকুপতুদা
কল্লবা নোংলৈ-নুংশিৎ মবক্তা
নিংখাইনিং নিংখাইনিং তৌববা তোববান্দ
নোংজু থাগী কঙ্গাওনববা ঈচেল্লক্তা
চাইথবক্লে ঙাকশীনবা কনা যাওদনা
চামচৎনবক খল্লাইদু পুদুনা
মপু মাগী মাইকৈ যেং
নুংশি হৈত্রবা খুন্নাইসি থাদোক
নীঙঙমদা থম্মোয় পুদুনা
লৈগী দোল্লাই তোংদুনা
তিল্লবোই হাঙল তবং মালংসিদা ।।

১৯/৭/৯৮
কোঙ্খৈজম লাইবেম্বী লাইকেন্নুং ।

কচ্ছবা

অমম যাইথোং কুমখ্রবা
লাইওইখ্রবা মাইচৌ তবেৎ শুপ্না
মৈতৈ পাথৌখোই
কংলৈ ইমাগী মতমবাক্তা
নোক্লা নোক্লা থরাই থাখিবা
মীখা পোনবা হৈনদ্রবা
নীংতম্লিংবগী ঈথেংলক্তা পীখম্নখিবা
থরাই-হকচাং খুদোল তম্বীবম্বা
যাইফকোনগী যাইফ থোইবশা।
সনা লৈবাক শিন-থুংনা
মৈতৈ চৎন-লোনচৎপু
মালেম থক্তা তাহন্দা
নীং-খা তম্না হিংহৌনবা
শিন্নবীবম্বদো নশু ঐখোযগীদমক
যেক তবেৎকী ফিবাল.
ঙসিসু নশু-শুথাং ঐখোযনা
মহৌশাগী পবম কাযহন্দা
থরাই খুবাক্তা হাপতুনা
খুবাক চাংজৌ তবা লোন্না
অচেৎপা ব্রাশক্না ইবোইননা
ঙাকখৎচবি নীংতম ফিবাল
নোংদোল খেৎন পাইনবা
মালেম পুম্বা উনবা ।
পংলবা নশু ঐখোযনা
হঞ্জিনখিবা লোইলমগী পবৈহন
থম্মোয শেংনা কচ্ছবা
পাংদ্রবশিংগী লুববা ঈথেংসে
লৎনবীগনুকো মৈতৈ পাথৌখোই ।

২৮/৬/ ৯৮

খেবচীং, খোংজোম ।

থাবল্লে

কোইবা ওনববী মিৎসনানি
শজি মিত্তাবু ঙমজবী,
নিংথিজবী মাযথোংনি
শুমহৎযাইবু পুবিবী,
খোইকুম মোমোন মীনোক্তা
ঙাওজবিবনি থরাই কযানা,
নিংথিববী শওং-শাদাদুনা
লৈজবী শাথেক্কী ঈপোমদা
মালং-ঈহুল ঙাইবিবী
অহিংগী লৈবাং শকহেনবী,
কল্লক-যেংথীনবনা থল্লবা
মালেম লৈকোন্নুং অসিদা
নশাগী ওইজবা থাদোক্লুনা
অশি-অচং পনখৈদা
মীনুংশি পাউজেল চেল্লিবী
নুংশি লৈনমদো যেল্লম্মুনে
কিম্থনিংলবা, চবাংনববা লৈহৌমীশিংদা।

১৪/৬/ ৯৮
ৱাঙ্গোই।

অথোইবা থৱাই

মীনুংশিনা যোম্লবা লৈকোলগী
নিংথিজববা লৈবাংশিংগী লৈনমদা
খ্বাঙজেংবা খোইমুশিংবু কঙাওনহল্লি,
পুন্সি লম্বেল নাথৈদুনা
তাইবং লীলাদা শুমহৎলিবা
নোংদমলক্লিবা খোইমু-নহা-তোনানবা
ৱাখল অনী ফাংদুনা
হি অনী তোংবদি
পুন্সি ঈপাক্তা ঈবাক্লা
পোকপগী মহৈ যান্দেদো।
মথৌদগী পোখাবা শঙজদনা
তাইবং কুম্মৈসু নাথৈববা
লাইনুবাবীশিং ঈথক ঈবাংদা
থম্মোয ঈপোম লাংদ্রবা
তাৎহৈবা তাইবংগী
মোইথেম লাংনসু হুকঙমদবা
থোইথোইবা মহাক্লি যুন্নীবেল
তাইবংগী অচংবা শঙলেনগী
হয়েংগী মীবোল চাবনি
অথোইবা থৱাইগী শুথাংনি
তাঙলবা মীওইপোক-শাযোন্দা।

২৪/৩/৯৯
কৈশামপাৎ।

পল্লুং

কুমজা মশীং থীঙমদনা
শুক্ল-মল্লবা লম্বেলসিদা
চৎলি পল্লুংফম যৌনবা
তিংখং তুম্বৌতনা থল্লবা
হিংচাবশিংগী চাক্তাফম ফাওদুনা
অশি-অচংগী লংদাইদা
নৈহৎপীবগী নোংলৈ থিদনা
যেংথীনবগী উনখা খাঙদুনা
থবাইনা পোথানিংদ্রবা পোলাংসি
তাইবং মীনোক-মীশা ব্রাংমদা
শুপ্লতগী পনখৈদু যৌনিংবনা
ওমচাক্লববা থম্মোয়সি পুদুনা
মুশিববা ব্রাখলগী মৈবিদা
পল্লুংগী মঙলান শাগৎলি
মঙলাক্লগনবা মঙগী খোঙচৎসিদা।

১৭/১০/৯৯
কৈশামপাৎ।

নিঙোনগী নুমিৎ

অশংবা ফিজোল থোল্লিবী
চীংলোন মাপলনা লৈতেংবী
পোইবৈ লমদম লমনুংশি
যুমথোং খুদিং চিংথদা
লমদম তাম্না লৈখ্রবী
যুম্নাক শাগৈ হোংখ্রবী
নিঙোন ওইবী কযানা
পলেম-পম্বৌ, মবুং-মৌপ্পাবু নীংশিংজ
মপাম লমদম পাংলক্কুনা
মীনুংশিগী অকনবা লংলানা
হবাউ মীনোক তমহন্দুনা
লাযব অনং থিদনা
পুন্না চাকলেন চামিন্নবা
তাঙলবা নিঙোনগী নুমিৎনি
হিযাঙ্গৈগী নীনি পানবা।
১৮ শুবা চহীচা
মৈদিংঙু চন্দ্রকৃত্তি সনাহাক্কুকতগী
শমথবকখিবা নাৎকী লীকলম
পোইবৈ লমদম্না লৈবিমখৈ
মৈতৈ খুন্নাইনা মুৎত্রিমখৈ
মালেম খোঙচৎনা হোংদ্রিডৈ
মীনুংশি পাউজেল পুবক্কুনা
তৎফদ্রবা অপুনবা খুন্নাইলক্তা
মোমোন্নবী হিযাঙ্গৈগী ঈহুলনা
পুবক্কনি নিঙোন চাক্কৌবা
মালেমদা মঙাল যেল্লম্নবা।

৩১/ ১০/৯৯
বাঙ্গোই।

অপূনবগী শক্তম

খুববা লাইনিংগী লৌনমলাংদা
খাইবোক তাববা ইবমদম
ঐগী মীচং খোম্বদা
মচিন মনাও থিদ্রবা
মোইথেমগী লাংদা থুববা
অপোকপী পলেম্ম কাউথোক্লুববা
পংথকুববা হে পীবা নিঙোনশিং!
তাইবেন পুংফাইনা নাহাইদুনা
অবিবা নৌনা খুম্থোকহন
মঞ্জুনববা পলেমগী চবৈসে
মীনুংশিগী ফিজোল শিল্লসি
ফুকপ, লাইনিং খাইদনা
অপূনবগী লুববা লাইজদা
মালেমগী লমজেল যাওনবা
হিমায চুমহৌসি ইতাওখোই।
শিংলিদা ঈবিক পক্লিমখৈ
থরাইনা হকচাংগা শেৎনদ্রিঙৈ
পলেমগী থৌগল ফংজবা
অপূনবগী শক্তম ঙাক্লিবা
পোকপগী মহৈ য়াল্লবনি।

৭/২/৯৯
নোংপোক অচিবা,

শকহেনবীশিংগী পাউজেল

অনৌবা চহীচানা খোঙদোইবমদাই
ৱাথোক যাম্বী ১৯৯৯ না বিদাই পীবমদাই
মণিপুবগী চীংযা তময়া শিন্দুংনা
পূক্লিং-লমচৎ তক-তশেংবী
শকহেনবী নিঙোনশিং নিংথৌ তুবেলনা
ঙাল্লবি লংনা হাংল মালংদা
এইদস, কবপসন, বন্দ-ষ্ট্রাইক, মীফা-নোংলৈদা
মমশিল্লক্লবা, লৈক্রক চৎল-ইবমদর্মসিদা
খোইথুম্লববা নখোযগী খোঞ্জেলনা
শান্তি পাউজেল যেন্দুনা
অপূনবগী নিংথিজব শাথেক্তা
অমৃত্তগী শিদহিদাক যেল্লিবী
হে তাইবং মপুগী পাউখোল্লোই '
যেলহৌঙৈগী পবম-লীকলম কাযদনা
অহিংবশিংগী হক কল্লিবী
চীংলৈবাক্কী শজিক থবাশিং
ঙাল্লকউকো মালেম লৈকোইপুং শিন্দুংনা
হিংগৎহল্লকউ শিকববা থৱাইগী চীংলোন
চীংলৈবাক।
তাক্লম্মু মালেমদা মুক্তাশিংগী হৌবকফম
চীংলৈবাক।

৫/১২/৯৯
মপাল কাংজৈবুং, ইম্ফাল।

ফাগিগী মায়খুম

(জিঃসিঃ তোংব্রাদা)

ফাগি পুবা কোইতেকখাক
গর্ভ পুববা নোক্লিংবানা
তাইবংদা হংঙা লাউবকপদা
থম্মোয় মোমোন তৌহল্লিবা
অচুম্বগী ফিজং হাংদুনা।
ব্লাঙাং খোনফম ঈপোমদা

পুক্নি পায়না খাঙলিবা
নুংগী ৱাখল কিশিদো
মোমোন মীনোক্না হুক্তোকলিবা
লোইনশিলোন লীলা থৌবুবেন
মেট্রিক পাস, মণি-মমৌ, ঙবোংখাওনা
উপ্পিখিবা পদ্মশ্রী, সাহিত্য বত্র লুহুপ
পুক্নি পায়না নোকহল্লিবা ভাবক
তেংথাহল্লি মঙফাওনববা মিৎকুপ্তা।
অনম-অহা চুববা খুন্নাইচাশিংদা
উপু বাক্সি নুংদগী খুথাং লমজেল থাবিবা
হে থোইথোইবা খোর্জে মপু
মালেমগী অহিংবশিংগী ফম্বাক্তগী
লাইবমলেন তন্না পাংখিবদি
মাযখুমদো হাংদোকলুগেবা নোংদোলদা
পুক্সিগী শেল্লেপ মাঙদনবা ?
খঙলে,
তাইবংগী চৎন পথাপনি,
অমুক থিংবা যাববোই।
নহাক্না থাজবম্বা সাহিত্যগী লৈবাং
চীংলৈবাক শিম্বুংনা ঙাম্থোইবিসে
অমুক্তদি যেংথবকউনে
লৈচিন পোমাই হাংদুনা
থাদবীবকউ ফাগি চবোং
থাজগী হৈবোং চবোংলক্তগী
ফুম্বংননা ওমচাক্লবিবা কংলৈপুংসিদা।

১৪/১১/৯৯
ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী বিদিং কম, ইম্ফাল।

শিল্পা

পাংথোক চাম্বা মীওইবা
ঙসি হয়েং ঙাইবিনৈ
হৌখিনি মতমদি লেপ্লাইদনা
কনাবুসু ঙাইবীবোই মহাক্তি
হৌখ্রবা থৌদোকশিংসু হল্লক্কবোই
তাইবং শিল্পাদি ব্রাংহৌনি
মহৌশা যাওলদি লোইনাইদনা
যুগ-যুগ মীবোন-মীবোন
নুমিৎ, থা থব্রানমিচাকশিং
নোংদোল থক্তা ঙাম্মোইনা
মপুগী শিল্পাসু থৌপাংখিনি।
মহৌশা নহাক্কী থোৎলবা
মীনুংশিনা লংলবা নথানুংদা
তাইবং থব্রাইশিং নাওকোল্লি
কোবৌ মাগী মযাথং
মহৌশাগী খোঙচৎ শাগোন্ননা।
হে অতৃম্বা তাইবং!
মিৎকুপ অমা মাঙবনা
পুন্সিগী পবম কাযবিবা
খোঙথাং অমা শোয়বদা
পুন্সি পম্বুং য়ৌঙমদ্রিবা-
পৃক্লিং অনী লোঙদনা
পুন্সি শিল্পা পাংজহৌ।

১৯/১২/৯৯
কৈশামপাৎ।

অশেংবা শক্তম

ইংলবা নহাক্কী খুত্তুনা
তপ্পা মোং হাদনা
থিবি-
অশোন-অনা, তোল্ল-তাববশিং
অমবোমদনা-
পৃথিবী শন্না ঙাল্লিবা
নিংথৌবেল কযা, অথৌবা কযা-কযা
থম্মোয শেংলবা মুনি ঋষিশিংফাও
লেংলি-পাল্লিবা থৱাই ঙম্লমক
নহাক্কী খুবামনুংদগী পাইথোকখিদবা।
হিংবদা ওইদা নমথাক্তা নাথৈকুবা
কবপসনগী থৱাই খিবীকসু
মশোং উনা-উনা লোৎলম্বা
অমোৎপা লুচীংপুবেল কযাসু
নানথোক্তুনা পাইবা ঙম্লিব্রা ?
অবোইবা মিৎকুপ যৌববা
তাইবং চেংজেল লোইববদা
মীচং-মীখায নাইদনা
অচৌ-পীশক খাইদা
লাযব-ইনাকখুনবা থিদনা
থৱাই মিবেল চুপ্পিবা
হে অশিবা কৌবা
তাইবং মপুগী শাযা।
উৎপিবো ঙসিদি লেপ্পমক
নঙগী অশেংবা শক্তম।

২৮/১১/৯৯
বিমস, মেদিসিন ৱার্দ।

করিদবু খেন্নরিবগে

অনৌবা চহীনি হবাউনবি
যেন, ঙানু হিংথৎ থৎলি
পেবালাইসিস তৌববা বোইলব
খুববা কাখুদগী হেনঙমদ্রবা
কেজি ফাবা ঙাইবিবা।
নুমিৎ শুবক্লে ঙসিদি,
বাই বাই, ন্যা-ইযাব যাওনবা
মিযাৎ মতম লোইববোই
লাইবমলেনগী যুমদা হন্নবা।
লেঙম শাঙমদ্রবা বোইলব লৈশাবীনা
অবোইবা নুংহিক্লবা খোনফমদা
"চীংদুমচাগী মীমান থব্রাইশিং
অব্রাইবা ব্রাখলদা তাউদুনা
পাখং-লৈশা, মন্ত্রী-ওফিসাব
থব্রাই চবান থাবিবা
নখোযসু অথাকপনি বোককী
চানিংবা মতমদা চানবা
থিংকাপ থিংকাপ কাপথোক্লবা।
লোইলমগী শম্বল খাবিবা
দেমোক্রেসিগী খুম্বামনুং থব্রাইনি
কাওবব্রা হে চীংমীশা ?"
মী শাগী পুন্সি
কবিদবু খেন্নবিবগে লমদমসিদবো ?
মোমোন মীনোঙ্কী ব্রাহংনি
তুংগী মীবোলগীদি পাউখোংনি।

১/১/২০০০
কৌব্রু লৈখা।

মকুম মথা য়ৌরকপদা

নিংথমগী উলেন লোইদ্রিঙৈ
উবি-ব্রাওবিবগী শকলোন মাঙদ্রিঙৈ
ব্রাকচিংগী থামৈ লোইশিল্লকপদা
বোবোবীগী খোঞ্জেল তাইদা।
মহৌশাগী খোঙচৎ কাযফদা
কুমদম্বগী পথাপসু শোইফদে।
অদুদিঃ
ইঙাগী নোংজু লোইখ্রবদা
কাবিগী খোংলি হঙোই ?
মশাগী ফমথোল কানবা
অপংববু অশিংবনা শুম্লবা
ব্রাকচিংগী শিদযাই ঈবিক্রি
পুক্সিগী শেন্দোং ঈশৈনি
তাইবংগী মল্লবা কৈথেলসিদা,
ব্রাহংফমদা ওইবা
পাউখুম ফংলবোইদবা মংলৈবাকসিদা
চোংলিসে এসেম্বলী জোকবশিং
মকুম মথা য়ৌবকপদা।

৩০/১/৯৯
সহীদ মীনাব মখোং।

থম্মোয়গী ৱাৈম

ঙসিদি-
মৈত্রবাক্কী কাচিন-কোযা শিল্পুংনা
চাকখ্রবা থম্মোযগী মৈবিনা
হংলি পলেম-পম্বৌগী শক্তম
তাঙ্গোই ওনখ্রবা পুযাশিং ?
শান্তিদাসকী শবৌলাংদা থমাইবীববা
ঙসিগী চমম্লববা মীবোলনা
লম্মাংনববা লম্বীসিদা থিবি
ঐখোযগী মুৎফদ্রবা শক্তম,
পুবেল নাককপশিংগী লীকলম
মিৎলু পিবাং পিবোইননা
শেলমিৎলোন, লাইনিং-লীচৎ,
হিংবগী হক খোঙ্গোইনবিবা !
হৌগৎলো মঙলাক্লববা ইবৈবাকচাশিং
খুত্তা মৈবা পায়দুনা
থিকসি ঐখোয়গী লৈবাক
মালেমদা তোমথিন ঙান্নবা
মুখৎলমসি থম্মোয়গী ৱাৈম।

৬/২/ ৯৯
কংলা।

অরিবা নৌনা খুন্থোকপা

চহী লিশিং ননশিল্লুববা পুৱাবী
লৈখা তাকুববা খুন্নাইগী শকলোন
থিবক্লি অমনবা লম্বেলসিদা
ঙসিগী অনৌবা মীবোলশিংনা,
তাবু মখুম হাংদোক্লে
তমং মখোন থোকহল্লে।
ইবেনগী ফৌগুখোলসু তাবক্লে,
ৱাযেল কাটি পাইবক্লে
হনুবা-হনুবী তাউথখ্রে
পাংশোই নুবাবী তেকখংলে।
খুবাক খুনমগী পুন্সিদা
অচুম্বগী নুমিৎ থোবক্লে
যেংউনে, তুংগী যুম্বীবেলশা,
অবিবনা নৌনা খুন্থোকলিসে!!

২০/২/৯৯
লাইবেনকাবী।

তীর্থ যাত্রিক অমদা
(ওজা নীলকান্তদা)

চীং, পাৎ, তুবেল
উপাল, রাপাল লেপ্লি
তুবোন তুবোন ঙসিদি,
চবোইগী তেতু শৈহেক
ইমাগী নাওশুম ঈশৈদা
তিল্লবে নোংদম্বগী ঈবৈনা,
অচাইবা লৈদি পোমশাৎনবি
রাববা জগৎ মৈখুলক্তা
নাযেগ্রাগী ঈশিং চাইবী তাম্থাদা
শান্নবি যাইবীবেন্না কেকু লোৎপী
মৈত্রবাক্কী নুংশিব খোর্জ্জে লৈকোন্দা
মঙালগী সাধন তৌবিবা
চোকথানাইদ্রবা তীর্থ যাত্রা
হিংসা, পাপ, যেংথীনবা মৈনুংদা
কথোকপা, মীনুংশি, শান্তিগী ধ্যাননি।
মৈতৈ সহিত্য লৈকোন্দা
মিংনাইদবী লৈবাং-চাব শেম
পদ্মশ্রী উবোং খিল্লম্বা
হে মহাদেস লাল্লুববা যাত্রিক
পুন্সি খোঙচৎ লোইবদুনা
মপুগী লৈকোন্দা তিল্লবোই
লৈবাংগী লৈনম ওন্দুনা ?

২৭/২/৯৯
কৈশামপাৎ।

লংদাই/৯১

ভেলন্টাইন

ঈগী গুলাপ পাযদুনা
নুংশিবনা যোল্লবা থম্মোযনা
অনৌবা মিলেনিঅমগী থোঙজিন্দা
চান্নবীগী খুত্তা খুৎশিন্নজবি
খোইথুম্নববা নীংতম্বগী লৈবাং
ঙসিগী নুংশি ঈপাম্থাসিদা।
কৌবি হন্না-হন্না-
লাক্লোনে হো চান্নবী
ওইবীববো চীংলৈবাক্কী
নীংতম্লবী মিস ভেলন্টাইন
অনৌবা মিলেনিঅম চঙলকপসিদা।

৫/৩/ ৯৯
ঙাবিয়ান।

ঐ শৈরেং ইররোই

অঙাওবা নিংথৌগী লৈঙাকলোনদা
লমহুই মন্ত্রীশিংগী থৌশিলদা
মশানা মশাবু খঙজদ্রবা
অশিবা প্রজাগী লৈবাকসিদা
অহিংবগী শক্তম লাংদুনা
ইদোম তবক চোংদুনা
হিঙ্গৎহন্নবা শিদহিদাক্তি যাওদনা
থরাই মীবেল কৌবনদি
কান্নবা ফংলবোইদবা তাইবংনি
অশিবশিংগী অচংবনা রাবিবা।
হিংনা হিংনা শিববশিং
মশানা মশাবু যোম্হোকচববা
মীনাই নাইথাংগী কৈথেলদা
লৈঙাক মপুগী খোঙজুম থক্রুনা
শুপ্লতগী চবা অমগী
নম্লু মথা চোইববা মপুদুদা।
লৌজনামগী যাই থাদুনা
মীওং থীনা ওংলবসু
হনবা লৈতনা হোংনবমগনি
নীংতম্বগী ফিবাল হাইগৎনবা
অকুবা খুন্নাই শেম্নবা।
খোর্জে পাযবা তোক্কুনা
ন্যুক্লিযবগী শক্তি পায়দুনা
লানগী ফিজোল শেক্তুনা
নীংতম্বগী লাঞ্জং চঙলনি
শক্তিগী শিদহিদাক পাযদুনা
অঙাওবগী লৈঙাকলোনদগী কঞ্জনবা
ঐ শৈবেং ইববোই।

২৫/৩/২০০০
নোংপোক অচিবা(নোংমাইজিং চীং)।

মৈগী চীং

মতম কুইনদগী
লৈবোলনুংদা ফুমলুববা
নপাক্কী আশাবা ঈবিক
ফুকুপশিং মনুংদা চাক্লিবা
অকনবনা অশোনববু তুহংপী
অচৌবনা মচাশিং যোংশিন
মশাগী ফুকুপতং হিংনবা
মৈগী কোমজাও শেন্নিবা
পীক্ক মালেম অসিদা,
নহাক্তং হিংনীংবা পামদুনা
খুন্নাইগী অশোনবা লৈবোল
চমজববা থৱাইশিং তেমশিংনা
পোকখাইহনগদৌবিব্রা মৈগী চীং ?
মচাশিংগী খনবদা ৱাজববী
মালেম ইমাগী থবাক শেগাই
খা-ৱাং মচেৎ তাহন
মচেৎ মচেৎ ফক্কে থৌশিল্লিবা
হে লানপাম্বা ফুকুপ!
নশানা নশাবু কাউদুনা
পলেম মাবু লংজবিবা
মসিবা মচা পোকচমন মহে ?
থম্বহৌদ্রবা নহাক্কী ৱাখলনা
পোকখাইহনখ্রবা মৈগী চীংদা
নহাকসু চাকথেকখিনি নোংমদি
মিৎলু পিবাং পিবোইনা
নীঙঙমদা মৈচাক পুদুনা।

২৭/৪/২০০০
কৈশামপাৎ।

য়েন্নিংথা নত্তে নাকেন্থানি

নুমিৎ থা কাউশিল্লক্লে
ইশানা ইশাবু মীবাইজকবে
শঙদবদি নত্তে থবাইনা
নুংশিববা হে হকচাং পোলাং
নঙোন্দগী হেন্না নুংশিবা
লৈতবনি ঙসিগী তাইবংপানবসিদা,
কবিদি উপাই লৈবি ?
তোল্লবা থবাই ঐহাক
মীযামগী মতেং পাংলুবদি
অহিংবগী মথৌ পাংজবিবা
হিংকুপশিংগী চাকখাউফাও থলহন ঙমদে !
ৱাবৌবব্রনে হে লাযববগী লাইশঙ ?
নত্তে শুদ-নোমদবদি
ইকাইবগী পনখৈ লান্না
তুম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ,
শাববা নুঙগাই মথকসিদা
চৎলিবনি পুন্সি লম্বী
খাঙসি হে থবাই, হে হকচাং
অতোনবগা মরূপ ওইরুবনা
পিবাং কংদ্রেদো মপোকসিমগী।
ঙসিদি-
কোবৌনা নোংচুপ পাংলকপদা
পুন্সি লৈবাং কংশিল্লকলিবা
ময়োল কংলবা উপালসে
য়েন্নিংথা নত্তে নাকেন্থানি।

৬/৮/২০০০
লাইনিংথৌ খোবিফাবা লাইকোল চীংথক, নম্বোল।

লংদাই

অমম অঙান শিন্নবমদাই
লোইলম যোল্লিং হূক্তোকলমদাই
অমম্বা অহিং লোইবমদাই
অবি-অনৌ তাইনফম
অশি-অচংগী লংদাইদা
খোঙফম অমত্তদা লেপতুনা
খ্বাঙচেৎ মচি লাংদুনা
কোল্লু চেৎনা নচা খোমদোনবী।
নোংপোক থোংনা হাংদ্রিবৈঙে
অপূনবগী লংলাসু চেৎত্রিবৈঙে
খোংলিবসে হৌদোং লম্বোইবা
শেন্নজহৌ পেবেৎ নচাশিংদো,
ঙাখা শংবাই পিখন্নখি'গুম
হিংথৎ থৎলিবা থব্রাইশিং
তম্নলাইনা শবাক তল্লিসে
অচুম অবান লংদাইসিদা
কোল্লু চেৎনা নচা খোমদোনবী।

৩০/৭/২০০০
কৈশামপৎ।

মৈদি ফিনা কুপলুনু

খঙলিবা উবিবা ঙম্নমক্লি
তিন শিৎলগা চৎখিবা
অথীবা খোন্দা তাখিবা,
মীনুংশি ঈচেল খমখ্রবদা
ব্রাজববী পলেম্নদি তেংথাবি
তুবোল্লবা মচাশিংগী হাক্তক্তা
ফিমন শেত্তুনা লেল্লিবী
মীমান্নদবা মপাবী-মমোম নাওযোকপীদো,
কাউবম্মনি শানানবা নহাক্তি
সিমদি-নীংশিংসি,
ক্লাক্লা ব্রাহোং ওনঙমদবনি
নোংথক্তা তিন শিৎলগা
ইমায়দা তাবক্কনি কৈদৌ'গে!
পেন্দবগী খোল্লাওদা
কুবাও হং-চল্লিবা পাথৌশিং
কান্নববোইনে হে অয়ম্বা
খঙঙু মৈদি ফিনা কুপলুনু।

৩০/৭/২০০০
কৈশামপাৎ

লোইলমগী থরোই চয়ামপোকপী

পুমচাই চাইবে লশ্বীসে
ঈখেংতনা লৌখোং ফাৎখবে,
পোখাবি অইংবা ফম্বাক্তা
মায পাক্লবা লমলৌ শঙ্গুনা,
তেংথাবি যোংমু, লমহুইনা।
হংলি লালগী মহাও
ঈখেং ঈপাক্কী লানবুংসিদা,
গুম্ভীব পিবাংতনা থল্লে
হংলি অমুকসু থৱাইশিংনা
কৈদনো মৈহৌবোনগী ত্রিপুবিশিং?
চীংনুং-উমংদা যাবেক্লিবা
চমজববা থৱাই তেঙ্গোলশিং
নোংমৈ চীন্দোন্দা চেনশিল্লি
যমনাই লমহুই মকোনশিংদা।
কু-বুদ্ধি কুযোমগী নাওফমনা
যোমশিনখ্রে যেলহৌমী থৱাইশিং
পলেম তবেৎকী শিযোমনুংদা
লোইলম থবোই চযামপোকপীশিং
ঈখেং চুপ্লি অৱাং নোংপোক চীংলোনসিদা।

১৬/৭/২০০০
থাওগ্রাউন্দ, থাংমৈবন্দ।

মীওইবগী লীচৎ

অৱাবা তাববা মিৎকুপ্তা
থৱাইশিংগী তেংবাং পীবিবা
চিববা পুন্সি তাঙ্কক্তা
মাযবোং যাদুনা খাঙলিবা
মীনুংশি ঈবিক খিক্তুনা
শান্তিগী পাউজেল যেল্লিবা
খৌঙ্গংনববা থৱাইশিংদা ইনবিবিবা
খোইথুম্নববা ইমাগী খোন্নাং
ঈকং থোক্লবা মালেমসিদা
অশংবা মহে-মবোং হৌহল্লিবা
অৱাবদা তেংবাং পীবিবা
অশিববু থৱাই হাপ্পীবিবা
অহিংবগী পনখৈ নাইদ্র খুন্নাইসিদা
থৱাইশিংগীদি হে থোইথোইবা,
উৎকনু উমংগী লীচৎ
চৎলম্মু মীওইবগী লীচৎ
ফিদমগী মকুম থুপ্পা।

৯/৭/২০০০
ৱাঙ্গোই।

জুন ১০

(অরাম্বম সমরেন্দ্রদা কচ্চবা)

শোথহৌববা ইবমদমসিগী তুংলমচংকী
হিমায চুপ্পীবম্বা হে অথৌবা,
চংলবোই লৈগী দোলাই তোংদুনা
অমুক্তফাওবা ঙাইবমদ্রবোই যাইবীবেন্না
মীবমলেনসিদা!
নহাক্কী শুমাং লীলা, দ্রামা লৈচলশিং
ইবৈবাকচাশিংগীদমক শেম্বীবম্বা নীংতম লৈকোল
উনখা নংলবী লৈবাকলৈ
দশা নংলবা তীর্থ যাত্রা

পিবাং কংদ্রবী ইমাগী মতম্পাকসিদা
ঈগী নোং তাবক্লে।
তাখিদবে যেন্নিংথাগী ঈশৈ
লৈকোলসিদা
গ্রহন লাকখ্রমানে খোয়শাওনববা
থাজসে।
অযম্বা শকখঙদবশিংগী খুৎশেম
কৈশুমশঙদা
য়োল্লিং থাংলবী পলেমগী লৈশাদা
খিকখবে অনৌবা মপাবী অমগী
ঈখেং।
লমতাকপিবম্বা নুমিৎনা তাখ্রবদা
মায়কৈ শিম্লুংনা মমশিল্লক্লে লানবুংগী
লৈকোল।
মচা কাযনববী মমাগী নুংহিক্লবা
খোঞ্জেল
নিল্লবি মালেমগী লৈথক লৈখা
খোন্দুনা
ফিঙৌ থোল্লবা নচা-ননাওশিং কৎলি
হৈবাং-লৈবাং।
পোখ্যাবোকো হে লময়ানবা!
মপুগী ইং তপ্লবা লৈকোলদা
ব্রাবল্লগনি নহাক্তী পোনগী চেক্লাশিংগী
খনবদা।
সিমত্তং হাযবীবম্মু-
"ঐ অমুক হল্লকখিগনি
শোখহৌববা ইবমদমসিগী তুংগী
মীবোলগীদমক
অনৌবা পুব্রাবীগী চেনা কাঙনবা।"

১৮/৬/২০০০
ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী বিদিং রুম, ইম্ফাল।

কনানা ব্রায়েনগনি

থম্মোয খুদুম চনঙমদবা
ঐগী ব্রাখলদা মাঙওইনববা
মপু পান্দ্রবা লৈঙাকপুংনি
নঙগী মতম'মগী মণিপুব!
অচৌবা লাযচৎনা লানদাবক্লে
খুববা ব্রাখল্লোন মকুমদা
পলেপফম খঙদ্র' ইবমদমদা
হিংনা হিংনা শিবে থব্রাইশিং।
হুম্ফুগী চাকথাক্তা খাঙঙমদ্রে
ফ্রে-ফ্রে হাইবে কংলাসু
অচুম্বা, ফজবা, নুংশিবা
মাঙখ্রমানে ঙম্লমক থম্মোযনুংদগী
অহোয়নদুম চুপ্লি ঈখেং-
শক পোলাংগী খুন্নাইসিনদি
নাহেবি মোংফমগী মৈবিথক্তা ঃ
হুবানবনা নিংথৌ ওইবে
মীনাইনা মপু ওনখ্রমানে
কাংখোং চাইববা খুন্নাই
ব্রায়েল থৌবুনা কৈদনো ?

২১/৫/২০০০
কৈশামপৎ।

পুন্সি শিন্থা

খোঙকাপ নাতৈ চাবনা
অতিংঙা পক্লা যৌঙম্বা
খোঙথাং অমা শোযবদা
পুন্সি লৈখা তাবনি
ৱাহৈ অমা লানখিবনা
লাইবেন্নগী থোঙ্গালদা তেংথাকনি
খোইথুম্নববা মীওইবগী খোনফমদা
কাযববা থম্মোযশিং শিদহিদাক্নি
অচুম্বা, ফজবা, নীংথিজবা
মীওইপোক্কী তাঙলবা লাইনিংনি।
হোৎনবতা লেপকনু হিংলিঙৈদা
চঙশিল্লু মাঙদা হযেংগীদমক
খল্লু নথৌদাংনি মীওইপোক্কী
পুন্সিগী মিংদি শিন্থানি
ইকাযবা, অতনবা লংশেকখ্রসি
হুমাংমনগী পাউখোং ফোঙলসি
নিংগুমসি তোল্লবা থৱাইগুম
থাদোকসি ফৎত্রবা নিশা, শাজৎ
তমজহনসি মালেমগী থৱাইশিংনা
ইকাইহনসি ককচেং, হযিংখোইনা
নোংদম্বনা ফিকক খুমহনসি
কবপসনসু উৎকুম তুমহনসি।

১১/৬/২০০০
ৱাঙ্গোই।

ওস্থোকপনিদা

মৈশানা কাহৎলবা হকচাংদি
খাঙলি ওন্ন-থোইনা,
ঈখৌ লাংলবা থব্রাইশিং
খাঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নবিবা।
ওস্থোকপনিদা হে ঈশ্বব,
ঈশিং লিক্লা অমফাও ফংঙমদ্রবা
বাজস্থান, গুজবার্ট খুঞ্জাশিং
হিংনবগী ঈবৈদা ঈবাক্লবি
থব্রাই যাওদ্রবা শা-ষণ মপৈ
খৌগংননা যাতাবি মালেমদা
নোংলৈনা লৈতাহন্দ্রবা থব্রাইশিং
চাকথেক্লবা মৈশানা ব্রাইবকলি
অবোইবা তাইবংগী শঙলেন্দা-
ওস্থোকপনিদা হে তাইবংপান।

৭/৫/২০০০
কৈশামপৎ।

পোনগী চেক্লা

হে নুংশিববা থবাই,
ইশাগী অপাম্বনা থুমহৎখিবনা
ঐগী মিৎযেংখাদা থম্লিংলুই
লোইলমগী পীক্লবা পোনদা
অহাওবতা পীজ-পীথক্লুনা
নুংঙাইনা থম্বীখি নঙবুদি,
থোনবীখিবনি নহাক্কীদমক অখন্ননা
তাংলবা খোংজি কয়া-
অদুনবু খল্লুবনি থোয়চৎননা
নুংঙাইবমগনি নহাক্কী পুন্সি।
তাইওন্নবে ঙসিদি ঙম্লমক
পিবাংতনা চোৎলবা মায়থোং
শকদা শৈদাংলিবা হকচাং
ব্রাবৌবমগনি ঐবুদি নুংশিহৈত'গুমঃ
মীনুংশি ফাওবকখি নফমদা
থম্মোয়দা চৈনা ফংলবদা।
ননীং-তম্লো মালংথক্তা ঙসিদি
পাউদমলম্মু য়ু এনগী ব্রায়েলশঙদা
নৈহৎপীববা লোইলম-নাইথাংশিংগী
ব্রাকৎ:
অহিংবগী হক মৎপীববা
থব্রাইশিং
হিংথৎ থৎলি পাহোমশিংনা ।

৩০/৪/২০০০
মোবে।

আগষ্ট ১৩

অশেংবা ফিজোল থোন্দুনা
কখোকপগী য়েন্দাই পায়দুনা
ঈখেংতনা ঈপাক ওল্লবা
নখোয়না থম্বীবম্বা মৈত্রবাকসিদা
লোইলম চৈথেংদা শোয়নায়ববা
থবাই-হাম্ফোয়নববা মৈতৈ-নোংশাশিং,
খুবাক চাংজৌ তবা লোম্লনা
কচ্চবিবা চীংলৈবাক্কী অঙাংবা কুন্দো
অমুক্তদি য়েংথবিবকউ লাইবমলেন্দগী।
হঙ্গৎনা যেংলুবদা নীংশিংলি
আগষ্ট ১৩, ইং কুমজা ১৮৯১
মলেচ্ছ লোইলম শাসন্দগী
ইবমদমসি নীংতম্বা ঙাক্লুবা
নোক্লা ফাঁসি শগাই কাখিবা
মৈতৈ পোকপী ইমানা
মপাল কাংজৈবুং মপুংয়াইদা
ওন্ন-থোইনা খাঙঙমদনা খাঙখিবা
নচা-ননাইশিংনা উয়ুং ওইখিবা
হল্লকখোকো থঙ্গাল, কোইবেং
যোইবু যোইহেনবা পাথৌখোই
অমুক্তং নোকমিন্নসি নীংতম মীনোক
লোইলম চৈথেং ফংদ্রবা চীংলৈবাক্তা।

১৩/৮/২০০০
মপাল কাংজৈবুং, ইম্ফাল।

লমতাগী থাবল

পুন্সি ময়োল চোংনবা
তাইবংগী শুধাং সিংনবা
থাবলগী মেঙলবা মঙালদা
য়েন্নিংথাগী পাউজেল য়েল্লি,
শকহেনবী পোমশাংনববী লৈবাং
শাফবা চীংলোম্নুংগী খোইম্নু
য়েংক-ওইগা বুংশম্ম
থম্মোয় ঈতিনফম থিনবি।
ঙসিদি তাইওন্নবে ইবমদম :
পুম্নমক লম্বাংনবে থাবল্লক্তা
পুবাবীগী শেমদোক্ক পুয়া
মমশিন্নক্লবা য়েলহৌঙৈগী খুন্নাই,
থাজনদি ইকাইবি হয়েংগীদমক
খনম্ববদা লৈচিননা থাবলদু
ইথন'তা খল্লি উশায় লৈত
কৌজবি মহৌশা নহাকপুদি
লমতাগী থাবল য়েংদুনা।

১৯/৩/ ২০০০
অবাং সেকমাই।

হংলাই

অওনবা নাইবা তাইবংনি
মিংকুপ খুদিং হোংলিবা
চৎনবীগী ঈপাক্তা তাউবিবা
মীওইবা খুন্নাই ঈচেলনা
অপাম পামদা খাইদুনা
ঐগী মীগী নাইবিদো।
অরাবদি -
মীওইবগী থৌশিলদা ঙাওজ
মীপান তাংবদনা নশকক
হে তোংলবা হংলাই !
হিংবগী মহাও চুপথোকপীব্রবা
মপোক হুম্ফুবক পোক্ল'সু
নবোমদোম রাখল লৈববোইদবা
কংলৈগী উকংনা শেমখিবা
থরাই হামচৎনববা উকং লাই,
মপুগী লীচিং থৌবিদা
নকোক ঙাওবমখৈ উংলিবা
গৌব লীলানা লোইশ্রবদি
নমথাক্কী মায়খুম হাংদোক্লদি
কৈদনো নখোয়গী পুক্সিনা ?

২৮/১/৯৯
ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী বিদিং কম, ইম্ফাল।

অবোক্কী নীংশিং ৱারী

(নুপী লাল নীংশিংজুবদা)

নুংতি নুমিৎ খুদিংগী
কৈথেলদগী কুমলক্লগা অবোক্লা
মশু ঐগী ঙামোক পীদুনা
নুংশিনা লুনা পশ্লীবা
কোক খজিক্তং চীকপদা
শকক চাম্মা ৱাবীবা।
চাউব ৱাংগোল ফাবগা
পাঙ্গল লৌশিং হেন্নবা
য়োইবু য়োইহেন্নবা মীওইলক্তা
থৌনা লিংজেল উৎখিবা
নীংশিংদুনা লৈবি পৃক্লিংসিদা
উহল্লি শংশংননা ইমিৎসিদা
খ্বাঙচেৎ মচি লাংদুনা
অনীশুবা লাঞ্জাওগী লাল্লক্তা
খুৎশেমগী চাক্তাংবগী চৈথেংদুদা
মৈত্রবাক্কী থবাইশিং কন্নবা
অচৌবা নুপীলাল খোঙজংদা
হনবা লৈত্রবা থৌনাদুনা
তৌবাংথক্তা ওম্নোয়না খাঙলিবা
হামচৎনববা থবাইশিং কন্দুনা
মালেমদা মশক তাক্লুনা
অঙৌবা মলেচ্ছশিং মমাংদা
মৈতৈ নুপীশিং থৌনাদো
তিংলৈনা ফুদোক্তুনা
কংলা শা মমাংমক্তদা
পলেমশিংনা লাঞ্জং চংখিবা
মালেমবু মিকপ থোকহনখিবা
থৌনা ফবী অবোকশিংসে
পুৱাবীনি তাইবং মীবোলগী।

১৩/১২/৯৮
কৈশামপাৎ।

চীরোন

কবগসনগী মকোল শাবিবা
এইদসকী শৈদাংফম লৌবিবা
মতোংবু কুবাংবান্না থৌশাবিদা
নাং মাঙব্রবা খুন্নাইসিদা
থব্রাই নিলাম লাউবিবা,
হিংবগী মহাও চুপথোকপীব্রবা
মংলৈপাক্কী চীংদুম অমদা
যুবান্না জগোই শাবিদো
অশিবনা অহিংববু করেম্নবিবা
মুংলমদাই থাউমৈগুম ওপ্রিবা
তোল্লবা থব্রাই অপীশকশিং
শুক্রবা চীংনুংগী কৈগুমলওসিদা
মালেমগী খুন্নাইশিং শম্নহন্দা
বোককী চাকথাক হল্লিবা
লৈতাদ্রবা চীংলৈচাশিং পুন্সিদা
মচীন মনাও খঙনদবে
মপা মচা খিদবে
মীকপ মীবাওখোলতনা নিল্লরে
চীরোনগী খোঙ্গাংলক্তা চীংনুংসে।

৩১/১/৯৯
কৈশামপাং।

অঙম্বশিংগী পোৎলুম

শোথহৌববা ইবমদম লমনুংশিদা
মীতোপশিংগী কৈথেল কাদুনা
কবপসনগী কাইদোংফম থিবিবা
লোইলম হয়িংনসু চাক্তাবি
পুমথববা ঙসিগী খুন্নাইসিদা।
মিৎকুপ্তা লোইবা পুন্সিদা
লুপা খাওজাওদা মিকাহ্ন
উকংমী থব্রাইশিংদুগী মখ্নাঙদা
দেমোক্রেসিগী লংলানা পুনশিন
হংলাই মপুনা উংলিসে
তিনথোক য়াংদৌ চোংবগুম
কয়াদা ব্রানা খাঙলিবা ?
হা উবোক !
নমাংসু লাং, নতুংসু তেন
নুংজাউগী মখাদা মথেল লুকোই
অয়ম্বা নখোয়গী খনবদা
লাইওইশ্রবা পুবেল নাককপশিংদি
ঈকাই ফিকক খুন্নবোই লাইবমলেন্দা।

২১/২/৯৯

ষ্টেট সেন্ট্রেল লাইব্রেরী বিদিং কম, ইম্ফাল।

গাড়ী ষণ

নোংঙানবদগী নুমিৎতা'ফাও
শগুপ শাই'ফাও শংদ
লুন্নবা পোৎলুম হোল্লিবা
রাই হায'সু ফোঙদোকঙমদা
মপুগী চৈবাক কিবনা
লবুক-লম্মাং চীংয়া-তমযা
অহিং তাইবং খাইদনা
মুশিববা মৈনমগী মৈবিলক্তা
নোল্লি পোত্থাবা নাইদ
পুন্সিগী থৌগাইনি খন্দুনা।
তাবীবোইদবা থম্মোযগী রাকৎ
মঙফাওনবোইদবা মঙলানগী পুরাবী
লাইবক্লা তন্নম্বনি খন্দোক
অবোইবা মিৎকুপ্তবু ঙাইবিব্রা
পল্লেপফম লৈত তাইবংসিদা ?
মালেম লৈকোয়পুং শিন্থুংনা
হিংবগী মঙলান মঙফাওনবে
মোমোন নোকচবে ইষ্টিমোবদি
নীংতম য়েন্নিংসু হুনখবে
লোইলম উনানা কেনখ্রবদা
পোন্বী-চেক্লাসু য়াকাইবে
শায়োকশং শানা নীংতমলে।
ওস্থোকপনিঃ
হে লেংলাই থুংল' গাড়ী ষণ,
নীংতম পুন্সি নাথৈ
মতোং নপত্র' পোলাংদা
হয়িংগী চাক্তাফম ওইবিবা
'সিবা নহাক্কী হুমাংমন ?

নবেম্বর ১৯৯১
ডিব্রুগর।

অপংবগী অহুমলক

যাতোন খজিক কাঙবদা
ব্রাবম অমত্তং ফোঙবদা
খম্থু' ঙমদ্র' থব্রাইদুনা
মফম মতম খঙদ
অমকপা থম্মোযদি উঙমদা
খোঞ্জেল হৌনা নোকখিদো
পংথববা তাইবং থব্রাইদুনা
লৌশিং ইফুৎ ফাওবকপদা
মেনঙমদ্র' অশোইবগী লৈক্রক্তা
ইকাই নুংশি যান্ননা
শিল্লম খংদা লুচিংবা
লোৎপা ঙমদ্র' হকচাংদো
খোংবী মালেমদা লৈদুনা
মদোম তবক লৈতাদা
অমোৎপা থম্মোয়না লুববদা
হকতোক্লবদা তম্নালাই' য়াচন্দো
নোকখি অপঙবগী অহুমলক।

২৭/১২/৯৮
ককচিং খুনৌ।

শিংলসি খোন্নাং লমন

লেল্লি থবাই কযানা ˙
ওন্ন-থোইনা
মীওং মীনৈলক্তা
নিংশা শ্বব ফাও' হোনঙমদা
হেদো নাহে চন
ঙসি হযেং খঙদ
থবাই পোম্বীনা পোত্থানিংদা
কিম্ববা হকচাং পোল্লাংনুংদা
ওমচাক্লা খাঙলিবী পলেমও!
চবৈ ফিমন শেং
খ্বাঙচেং মচি লাং
অহিং মিশেল খাঙলিবা
হুকতোকঙমদ্রেদো মীনাই যোহ্লিং !!
মিকপ থোক্লো হে যোইহেনবশিং
চীং-তম অমত্তগী লিপুন্না
ঐ, নঙ, মা ঈতিন্না
নুংশিববী পলেমগী মতমবক্তা
হায়গৎলমসি তংদু-নৈতাগী ফিব্যল
শিংলমসি খোন্নাং লমন
লাইবক চাউবী পলেমগী।

৭/৬/৯৮

গেলেক্সি ইংলিস স্কুল, থাংমৈবন্দ।

পাউখোং

খা নোংপোক এশিযাদা
পীকতক্লা মঙাল নাইবম্বা
য়োইহেনবা মাঙ্গোলোইদ ফুকপসিদা
বোম-নোংমৈনা নীংতম্লবা
মীহাৎ-লাম্মী য়ুমথোং শম্বলনুংদা
লিক্লাং ওইবিবা অশিবনা

লংদাই/ ১১৫

বন্দ ব্লোকেদনা মফেন ওই
কবফিউ, ফেক এনকাউন্তরনা মযুংওই
চবাং খোইবাংন ব্রামৈদা
এইদস কবপসনগী মৈচমদা
শক শয়াংনা চিতাথক্তা
ঈ-মশেল থকম লানলকসিদা
হাইব্রে খুদিং ইকনমিক ব্লোকেদ
চীন্দনা শান্তি থম্মোযদনা থকম
চীংদুমথক্কী খুলশিংনা তাঙ্গোযলক্তা
নুংথিলদনা দেমোক্রেসি-বোক চাকথাক
অহিংদনা নীংতম্লিং-থরাই তেংথা
নুংজাও'নিগী মবক নুংকুপনি চীংলৈচাশিং।
অমবোমদনা-
হেনগৎহন্নিংদ শনিনাইশিং নমখাই
শান্নবোই পীবা-নিঙোনশিং
খিল্লিসে মিংচৎ-উবোং মালেমদা
তাংল' মীওই ফুকপ্পি
আফসপাগী চাকথাক হুল্লিবা,
ঙাল্লিবসে মুৎলমদাই থাউমৈগুম
দেমোক্রেসিগী ব্রাহম্বোক লৈহন্দ
হিংবগী মহাওস্ চুপথোকপী
মালেমদগী কাংখুল মুৎলমদাই
লেপলি ময়োল-কংল উপালগুম
লৈকাংলা ওল্লমদাই লমলেনসিদা।
উবাওবী লমজা শবানা থেনসিদা
চীংদোংদনা য়ুমদাংবনা কৈনাবা
ফোঙলোনে খাঙুথক্কী ঙাখা
ফুকপ 'সিবু কনানো ?

৭/৬/৯৮

নোংপোক অচিবা, নোংপোক শঙ্জেন্নম।

"...কবি [illegible] [illegible]গুরা [illegible] [illegible] শাওগুনবা[illegible] [illegible] অমা[illegible]। অ[illegible]গা [illegible] [illegible] লোয়ননা শাওদনবগী পোমিং [illegible]খোকপা ওয়া, [illegible] [illegible] পোইটশিং[illegible] [illegible] তোমা কবিনি।..."

ডাঃ [illegible] [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
(মণিপুরী সাহিত্যগী ক্রিতিক)

"... ১৯৯০ দগী [illegible] [illegible] [illegible] অনৌবা [illegible] অমাসিদ-[illegible] মোদ[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পনবা [illegible] Back to Identity and Nativism হায়বসিনি। [illegible] [illegible] [illegible]গী শৈরেংলিংদা [illegible] [illegible] [illegible] য়াওবা থেংনরে।"

[illegible]শম কুলধ্বজ,
[illegible]
(মণিপুরী সাহি[illegible]গী ক্রিতিক)

"[illegible]ইবিক অসি মণিপুরী সাহিত্যগী [illegible] অনৌবা শৈরেংগী মহাও [illegible] ওয়া লাইবিক [illegible] শৌইদনা ওইবগনি হায়না [illegible]।..."

ডাঃ সি ঐচস ইবোহল সিংহ
এসোসিয়েট প্রোফেসার
ডিপার্টমেন্ট ওফ লাইব্রেরী এন্দ ইনফোরমেসন সাইন্স,
[illegible], ইয়ু, কাঞ্চিপুর।
জেনরেল সেক্রেটরী
মণিপুর [illegible] এসোসিএসন, [illegible]ফাল।

Estd 24th May, 1987
Manipur Library Association (MALA)
Imphal

ISBN: 978-81-909699-1-8